Seminar Paper Series—I

জরনেলিজম

সেমিনার পেপর শরু

মনিপুরদ জর্নেলিজমগী থাক

ঙাইকল ষ্টেট অমদ জর্নেলিষ্টশিংগী থৌদাং

মনিপুরদ রেডিও জর্নেলিজম

(টি ভি. জর্নেলিজমগী তুংগী আশা)

মনিপুরদ চেংকোং লোন (জর্নেলিজম)
চাওখৎলকপা অমসুং তুংগী কৌজম

জোতান জোতানব শুমাই অমদি দৈতাকী
থৌশিলশিংদ প্রেসকী (চেংকোংশা) শিংজা

প্রেস অমদি দৈতাক মাখোজবা

খোংথোকচবা
ইউনিভরসেল লিটরেরী এসোসিয়েসন
মনিপুর।

জর্নেলিজম

(সেমিনার পেপর খর)

অফোংবা

ইউনিভর্সেল লিটরেরী এসোসিয়েসন, খুরাই।

মমল লুপা ১৫/-

কোপি ৫০০
জুলাই ১৯৮০
কংফম— ইম্ফালগী লাইবিক যোনবা হুবামশিং



“ থুনাং চাওশিনবা জর্নেলিজম ” হায়বা মার্চ ২৩, ১৯৭৫ নোংমাইজিং লুমিত্তা পাংথোকখিবা সেমিনার পেপরশিং।

কে: খিরেন, জেনেরেল সেক্রেটবি, ইউঃ এলঃ এঃ না খোংনাংথাবা প্রেসতা নমগা পুথোকপা।

চোংথাম মনিহার

মনিপুরদ জর্নেলিজমগী থাক

"Yes, you earn a living, you support a family, you love and hate, but—what do you do ?" চহী নিফুবোমগী মমাংদা H. G. Wells না বাহ অসি হংখি। পাউখুম ওইনা মানা তেল্লগা পল্লমই 'We originative intellectual workers are reconditioning human life.'

Wells কী পাউখুম অসি হৌজিক জর্নেলিস্টশিংগী মফমদা খুবুইদগী হেন্না চনমাল্লে হায়নি থাজ্রি।

হৌজিক্তী জর্নেলিজম হায়বসিনা পাউগী চে অমস্তা অকক্লবা মতম বাগ্নবগা ফোংবা চেফোং-শিংগীদমক ইবা অমস্তা ইদিংদি তৌবা অদুম পূম্না শক্তনাবে। মসিদগী হেন্দোকখত্না পাউ থোমজিনবা থাদোকপা, চেফোংশিংগী শেল-থুমগী ফীতম অমস্তং এডভর্টিজমেন্টকী শীনবা— পুন্নমকস্তা মসিগী মঙ্গ দা চপ্লে হায়বা যাই। শিনফম অসিগী অপাক্লবা ওমখৈ লৈতে হায়বস্তা জর্নেলিস্ট ওইনা ফাওখিবা রাজ-নীতিগী মীওইশিং অমস্তং জর্নেলিস্ট ওইনা ফাওখিবা, সাহিত্যগী মীওইশিংনা, অনাবা খুদম্নি। বিলেতকী বিনস্টোন চর্চিল, আমেরিকাগী মার্ক টোয়েন, জর্নেলিস্ট ওইনা হৌখিবা, মীশকশিংনি। অদুবু হৌজিক্কী মতমদদি মসিগী লমদা ফাওনরিবসি জর্নেলিজম্ শিনফম ওইনা লৌবা ওাকুনা অযাম্বনি। মতম অদুম্না শতাব্দি কনস্তুবগী তঙ্খাই অসিদা চৎনরিবা শিনফম অসিগী মশক মবিদিং (ক) পাউগী চে অমস্তং চেফোংশিংগী থবক শুধা মীশিংগী সংস্থান শেম্বা; (খ) জর্নেলিজমগী অখন্নবা মহৈ মাশং ওম্নবগী থৌবাং, (গ) মীয়ামগী মফমদা পানবা, তানবা শন্দোক্লিবা হীবমশিংগী (হায়বদি mass communication গী) লেপ্পা লৈতমা চাওখৎলক্লিবা ইতিহাসকী নৈনবা বারোল অমস্তা মখোয়শিংসি পুথোক্লবগী ওক্লিক অমস্তং আবাইবদা (ঘ) জর্নেলিস্টশিংগী মফমদা হেন্না চাউনা ননশিনক্লিবা সমাজগী দায়িত্বগী বাখল।

মসিগী মায়কৈদগী য়েংলুরবদি মনিপুরগী জর্নেলিজমগী থাক অসি যাম্না পুরিং স্তা শিনিঙাইগী ফীভমদা নৈবি হায়রদবা ওমদে। অসীলকপা লম, লম্বী থোং ফত্তবা অমস্তং বৃত্তিশকা থেংনা থেংনখিবগী মতিক মনিপুরদা নোংচুপলোমগী মহৈগীম ঙাল যাম্না কোম্ননা ফাওরকখি। লাইহরিব হৈবা মশীং যামখিদবনা মনিপুরদা পাউগী চে অমস্তং অস্ত চেফোং থেংনা মশক ওমকাগ। অহানবা পাউগী চে 'মনিপুর দৈনিক' ১৯৩২/৩৩ হায়বদি ভাবত্তকী অহানবা পাউগী চে 'India Gazette', থোকপ্রবা মতুং চহী ১৬০ রোনগী মতুংদা থোক্লকখি। নোংমগী পাউ ফোংবগী মথক্লা, নিংথৌ অমস্তং বৃত্তিশকী মাযোক্লা লৈবা ওইবমা মতম কুইনা হিংবা ওমখিদে। মসিগী column 'ফরে ধুবে' হায়না থোনবতুদা

নিংথৌবু শীংনজুনা কবেম কথাযনজুনা ইবগী মওং, হৌজিক ফাওবা শোন্নরি। মথংদা থোরকখি 'দৈনিক ভাগ্যবতি'। মসিসু রাজনীতিগী থোক্লোক্লা থনবা পাউগী চেনি। থাগী ওইবা চেফোঙ্ 'য়াকাইরোল' ১৯৩০দগী হোঙবা হৌখি। মসিগী মতুং ইল্লকপনা 'ললিত মঞ্জরি' অমসুং 'মনিপুর মতম'। চেফোঙশিংসি থোইনা ফোংনা অপাল্লবা পান্দম য়াওবা উদে। চুম্নগী কলেজগী, স্কুলগী মেগা-জিনগী মওনি।

অনীশুবা লাঙ্গানা মবক থংখ্রে। অনৌবা পাউগী চে কয়া থোক্লক্লে। লানগী মতাংগী চেফোঙ্দগী থর মওংদা চাওবা হেনগংলবসু লানায় অনীদগীদি হেনবা ঙমখিদে। হাবন অমসু নিংয়েংদসু থোই দোকপা অতোংবা উদে। 'ঙসি' 'ভাগ্যবতি পত্রিকা' লান হেক মতুংদা থোরবপান। অদুদগী 'প্রজাতন্ত্র' 'অনৌবা সমাজ' মথ মথ 'সীমান্ত পত্রিকা' 'খোল্লাও' অমসুং ঙসি চবাদা থোক্লিরব 'সনা লৈবাক' 'পাউরেল' 'সনুজা'।

মমিং মযাম অসি পল্লবগী মবনাদ পাউগী চশিং খাসি মশাক নংদা অমসু হৈনানা চহী নিফুগী মমাঙদা ফোঙলম্বতুদগা থোইনা হেনগংপা, ফগংপা লৈতে। মবাক ময়ূংদা থব হেনগংলবসু, লানায় মবী পানবা চে যাওরবসু, এডভটিজমেটনা লন কনখিবনা অতৈ হাইবমদাদি থোইনা হেনগংপা লৈতে। প্রেসকী মেচিন অমসুং অতৈ তেক্লিক্কী খুদোংচাবদি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না হেন্না ফংলে। ভাবংকী চাওথংপা লমদা ফংলিবা অয়াম্বা ঐখোয়গী সিদসু ফংলে হায়বা য়াই। চহী নিফুগী মতুং, মরু ওইনা লান মতুং অমসুং নীং তম্নবা তুংদা মনিপুরদা লাইরিক হৈবগী চাং অসি ভারতকী চাওথংলে হায়-রিবা অতৈ লমগীগা চাং তম্নবা যানা হেনগংলবনি। মথাগী থাক্ত মহৈ তম্বগী খুদোংচাবসি ভারতকী লম অতৈগী মীশিংগী মরক্তা মনিপুরীমুক, মরুওইনা তমগী, মবাঙ কায়না ফংবা লৈতগ্নোহ। তেক্লিকেল নওবা অবাবা থাকী মহৈ তম্বদসু অদু মঙায়। পুন্নমক পল্লবগী মরমদি শন্নপ্পা, হৌজিক্কী মনিপুরগী মীশিং হেনগংলকপগা লোযননা পাবা ইবা হৈবা মীশিং অমসুং অবাংবা থাকী মহৈ হৈনবা মীশিংসু হেনগংলে।

অদুদি লাইরিক লাইসু হৈববা মীশিংগী চংদবা য়াদ্রবা পোংচঙ পাউগী চে অমসুং অতৈ চেফোঙশিংদি? মথক্তা পনখিবা পাউগী চেশিং অতৈ, চয়োলগী, থাথায়গী, থাগী, থা অনী, থা অহুমগী থোবাক্লিবা ময়াম অসিনা শরাবা শাক্লিনি। লাইরিক হৈবা মশাং য়ান্নথংলকপগী মতিক মথল মথাগী চেফোঙশিংনা তান্নজুনা চংলে। শেল থোকপগী চাং হেনগংলকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুং ফীভম থর ফবশিংদা অচোয পাং চাচুরুটকী চাং হেনগংলকপগুম্বনি। লাইবক থীবদি হৌজিক ফোঙলিবা ময়াম অসি মীশিং থব য়াম্বা তমদা লৈবা মনিপুরীশিংগীদা ওইনা তৌরি। অঙ্কগা অম-বোমদা অমক নুংঙাইনিঙাইনা মীশিং থরসিগীদমক্তা ফোঙলিবা ময়ামসিংগুম্বা ভারতকী অতৈ লমদা ফংদে। পাউগী চে অমা, থাগী চেফোঙ অমা মংখিবা য়াই; নতগী মতক্তা অতোপ্পা মিং লৌজুনা অমা হেক্তা

থোরক্কনি। তৌজিকমকস্তু অনে অনৌবা থোরকপা লেপ্লা লৈরি। সাহিত্য, খাত্, বাখল, মতম, মতমগী মঙাল, খোঙথাং, লময়ানবা, মচা লৈমা, চেকোচ নয়ানাসিনা লাংশা শাংনা পাবনবা লৌশিংখে অমা লৈবে হায়বা শাক্তি

অদুবু, ঙসাগী মায়'কদগী য়ু-তুরবদি চাওখত্তে হায়বা ঙম্মোই। ঙসাই নথক্তা পনাখ্রব —মগুন-দাদ লান মনাঙনীগা থোইনা চেন্নবা লেতে হায়বদুগী মরম থিবা তাবদি—ঐনা নয়েক লৈনা হায়ভ-নিংই পাউগী চে অমসুং চেকোচ পুথোক্লবা বাংবুশংগী মবক্তা জনে লিজম্ থওইনা লৌবা য়াওদ্রে। মসিবু শিনফমনি হায়না লৌবদা মনিপুরদাদ বান্নবা ফংখিবোই হায়বদু খাইনা চুমবোই। লৈবাক্কী কান্নবনি, থৌগলনি, কারবারনি হায়না পুন্না খনবা ঙম্বা থাক্কুবন না। চুনই নম লোমনদগী, ইন্দি, বেঙ্গলী মরুওইনা হংবাজীগী পাউ-চে অমসুং চেকোচশিংগী চাওবরা নাংবা অমা লৌরে। মখোই শংগ্রাদ লাহারক-লাইক্শু খব থেন্না হৈনবা বাচবুগীনি হায়জারি। অথাঙ্বাদ—থুপী, কারবার তৌবা শুব-নোম্বা চৌবা নাশিংদি মখোয়সি পাংবা ঙমদে। অদুগী নথক্তা হনাংলান্দা ফোঙবা হায়বাসনক্তনু ফবু ফজরবাদ, কুপাইবরদি, নবংব চয়রবদি লোইননক্কা পানাক, নেননাই। হবোলগী চেকোচ্ অহক্কা মাতম চাংশা লৈবমগী লোন সাহিত্যদস্তু মদুগী পভাব পাদবা নতে। মরুওইনা অনৌবা মতমগী হংবাজী অমসুং বাঙলা সাহিত্য জনে লিজমগী মাংৎনা নশক য়াম্না ওলহনখ্রবনি।

জনে লিজম্ থওইনা লৌদে হায়বগী লেডদবা প্রমানদি, ফোঙাম্লবা পাউগী চেশিং অমসুং কবং-বনা রাজনীতি দলগী ওইদবা য়াওরবগে হ থাক্তশংনা পার্টি অমগা মরী লৈনরবস্তু মতম মতমগা মচু তাংবা য়াওরে। মাচচ মাথাথ নাইদনা, মনাং হৌনা অকুপ্পা পাউ, অকুপ্পা ববেল অমম লৈবাক্কী আশেবা সমাসা থাজিনবা ক্লা। নাবরাগী হ পয়নব ঙাইহাক চ হইক্কা নক্তগা অমক্কবা অকনবা খানম লৈব ঙাক্কনি থাংক চেকোচশিংসু অহু নঙায় পব ওজা তাবা অহৌনবা নক্তগা নম্বান শিংনা ফোঙবা নতে। নহারোল কাঙবু পরনা অতে নপানগী জনে লাশং নংম ঙকুরগা, সাহিত্যগী ওইবা হ বম পবদা হন্না হন্না হমান মান্না লোইচদনি। রাজনীতিগী ওইবা, সমাজগী অচৌবা অশংগী সমালোচনা তৌবা অমা-অনী লৈরিবাসস্তু লেন্দনগী বাখল চেন্দবনা মবেক মহাক য়াম্না শিল্লক্তবে।

ইন্দতোরয়েল ষ্টাফ, রিপোর্টির মেনেজমেন্ট অমসুং এদভটিজমেন্ট যেংশিনবগী শরুক —পম্নমকাস খক্তনা ফোংবা মনিপুরগী পাউগী চেশিংগী মবক্তা য়াওদ্রে। পাউগা চে অমসু চেয়াংশিংগা হিংনবগী চাপ্পাক্তি মরুওইনা এদভটিজমেন্তশিংনি। সাকুলেসন যানদবগী মতিক ফংদে হায়রবস্তু পারিসব অমত্না থওইনা থিজিন্নরুদে। অপাবাশিংদগী থোমকপা শেল খরদুগী মতেংনা পাউগী চে হিংনবগী পাঙ্গল হাপ্পা ঙমদে।

পাউ-চেগী মরুওইবা মশাক্তি, চুম্মা মপেক শেংনা থুনা পাউ পীবনি। মসিদদা পাউ-চগী চাংয়েং লৈরিবনি। গনতান্ত্রিক সমাজ অমদা, লুচিংবাশিং, ওফিসারশিংনা কাইথোক্লবস্তু লৈবাক্কী

মপাদ নাযামা ওন্দা। লেবাক্তা ওন্দাক বাপোক মাং চম্না লৌশিন্দুনা তমিবা পাউমা অহু লৈ বাক্কী মনিং মমাযদা মেয়া গনত্থদ লৈবাক্ব নো, মিংযে হাযবসি পাউমীনা ফোঙবা মথল মথাগী পাউশংগী লংদগী মায় খ্যাতিনাগী চন লম্ব Herbert Brucker না হায়ঃ "Tell the people the truth about their situation and people will respond to any challenge that the truth offers That is the fundamental rule of democratic society... And it is the reporter's job to see that the truth is told এখোযগী পাউ-চেগী রিপোর্টরশিংগী মবঙাদ মসিগী মরম চনবা যাম্না লাংলি। অতোপ্পা অমনা পাউ-চে অমগী অরংবা মশক্তি interpretative reporting না শাম্না মসিগীদমক্তদি হৌবকযম, মইহৌশি, এক্সপরিয়েন্স অমসুং পুক্কী লৈতাবা, অসিনচি বগী ওন চংই। মসিদা পাউমাশিংগী মরু ওইনা; দা হৌরক্কদবা পাউমাশিংগী চাংথ লৈবিবা মখোযন অপাবদা লৈ থাক্লবগে হাযবদু যতন নাপা লৌতুনা পাবা নাং, থোইদোকপা অমা অমগী মাচং শঙ্গন নাইবা যাগদনা।

মনিপুরগী চেযোংশিং না আসঙ্গা পাউমী থোবা না ঙাইদি। খ্বাংদগা নাং না অমনা জাৎ লিজমগী অবা বা মতে বিশ্ববিদ্যালযশিং দা তম্বা মীওইশিং না ফোঙবা পাউ-চে লৌগা অহৈ চেযাংচ লৈদ্রি। অহুনা পাউ পীবদা নবীক চুমদবা, চবীক চঙা নাইবা ওইবিবান। হৌঙন মায়ামগী পানবা তানবা কবিহন্না অমা প্রথোকপদা চংলিবসি—adequacy, accuracy, economy নি হাযবদি মতিবচানা চম্না অমসু মতম চংদনা প্রথোকপনি ঐনা হাযবিবসি মশক চানববা চৎনাং চঙবা যাবা মতমদা হাযবববা? বাহংশিংসি মরু ওন পাউ-চেগী মালেহাক না থওইনা লৌশনবা নাং। এখোযগী পাউ-চেশিং আসদি বাজনীতি দাশিংগী কোংদোকনা মরওবনা, নাপাম্পা পঙ্ক থোবনা হম্না লুবনা মসিম্পা মচল শক্তন্দ চংদ গাং অগা অইদিওলোজি, হাগ্রাম নগা পোলিসি হেম্ব শক্তম্না বা যাংদোক্না বদগী পাউ-চেযাগী মমল নাওন্দ। নগ্রগা কবিহন্না অনৌবা থাম্ম, লৌশিংগী মচাক ওইবসু। পানবা তাবিবা মাংগী লৌবগা চপগী চা হৈনিবসু থাদন্দবা যাদে। Patrick Meredith হায়বা আমেরিকাগী Psychology গী Professor অমনা হায় "For the act of communication is completed only in the act of understanding..... information theory in its deeper implications then becomes an investigation of the conditions of mutual understanding. Here we should note that communication does not depend as information alone. Dr. Johnson once remarked that men need more often to be reminded than informed"

মতাং অসিদা ইদিতব অমসুং মহাক্কী হাফকী অচৌবা থৌদাং লৈবে। মহাক্কি পৃথমকসিগী মনাব চম্না ওইনা মিথান্ন তহন পাযনিবা। মীশক ওইববস্ত সম্থান ওইরবস্ত পরিসব অহগী পোলিসি

মিৎয়ে অহু হাঁদতবনা শচদবা যাদে অহু ওইববসু মহাক্না ননা [illegible] যাদে [illegible] । ঐ হশামক থা অনীগী চেফোঙ 'ঋতু' হায়বদুগী হাদতব চহা মবাগী ওইজবমক [illegible] বাজনাগী ঈথল চচদবা সাহিত্যগী ওইবা চেফোঙনি। পাঙ্খন ওইবা সংস্কৃত [illegible] মাস ডাক্না থম্লগা ঐনা সমাজগী, অর্থনীতিগী সমস্যা অমসুং সাহিত্যগী সমালোচনা [illegible] মখোয়-সিগা লোয়ননা মনিপুরী সাহিত্যগী অবাংবা থাক্তা মশাক অমা পুথোক্নবা হোৎনখি [illegible] ঐগী জনেল অপাবাশেংদা সাহিত্যগী মহাও অমা ওংহন্নবা হোৎনবগী লোয়ননা [illegible] 'critical outlook' অমা শেম্নবা হোৎনখি। বানান, get up অমসুং আর্টিকলশিং [illegible] চেকশিনবদগী অপাবাশিংনা অপেনবা খোচদোক্লকই। ঐগী [illegible] খনখি।

হশাগী মতম থবগী [illegible] মনিপুরগী [illegible] জনে লজমগী [illegible] হশাদা থাজবা অমা [illegible]। [illegible] চেফোংশিংগীদ [illegible] অনোবা [illegible] শীনবা, [illegible] লেবাক [illegible] অমসুং [illegible] ওইনা, জনেলগী [illegible] শমাজন শাজিনবা, [illegible] ফোটোনাচবা হাপাচিন্নবা হো নবা— পুন্নকাসনা থাগী, থাথাযগী চেফোংশিংদ [illegible] হনগনি। অপাবা চিশিনবা ডমগনি। হৌজিক নহাবোল কাডবু মরাম্না ফাওবা [illegible] অহুনা পুনশিল্লগা ফজবা জনেল অমা অনীদা ওইনব [illegible] [illegible] চম্বাদ [illegible] ঙম্বগী [illegible] অমা [illegible]। অহুম [illegible] [illegible] টিঙকেৎ কথাস্ত কলককনি।

[illegible]

মনিপুরী [illegible] মনিপুরী [illegible] [illegible] পুম্নমক [illegible] [illegible] শাগী ফজবা, অসিদগী হৌরকুন [illegible] লাইবা সমাজগী [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] অনৌবা হাপচিনবা চৈই। পুন্নকাস [illegible] নহাবোল কাডলুপ অমা চোংথোবকপনি। [illegible] থাদোক [illegible] করা, কুনগী হরাউ কুম্মদা পুথোক্নবাক্লিবা অনৌবা মথলগী [illegible], [illegible] জনেল, জর্নেল, শান্নবদা থরায থবাক্তা হাপ্লুনা পাঙ্গল থেক্না শান্নাববা [illegible] — পুন্নকাস [illegible] ডবাদনা, নৈনবাদনা [illegible] অমা মাংখ্রে। [illegible] মতম [illegible] অমম্বদ

তিনখিগদে। হৌজিদা হৌজিক্কী থুনা নুংঙাইবা, বাম্নবা, ফুবা দলান মিহৌনবা, কল্লক্কবদগী শীং-থানিংঙাই ওইবা নহাবাল কয় লৈখ্রে চংনরে। দলান মথোন অক্তমগী নপূ ওইবিবা, সনা খাঙেন চানঙা কাঞবা, মনগী নমনা তান্নোয় থম্বা চুমিবা, লমজাওদা, ওফসতা মমল যাওদবা মীগী বাবহার চাইবিব নাকনকন্না নশা নশাগী ভাইহাক্কী ইন্দ্রগী লৌবাংবাদ কোকলম্ব দিয়াই। মখোয অতু লৈবাক্কা নায়ানগী নম্বান শনবগী পাঙ্গল মাংশুরবনি। মহাক্কা মতম লোইখিবগা মিংচংস্ত্র লোইখৎবনি কনানস্ত্র শরবরোই।

মতুং মীওন নাইবা। হৌজিক হৌজিক সমাদদা ফমকম ক দবস্ত নো যুবা যমদা লৈববস্ত্র বা দাম্বা চল্লবস্ত, নাংঙহা খদি সুংচা লাইখন শাবগী নাল্লকপা ফংদ্রবস্ত্র মথোয়না জাতিগী সংস্কৃতিগী, হাওহাসা, চংগ পগী, পাঙ্গল লেনা হি বা পুন্সিগী লম্বা কাংলে, অনোবা হাব হাপলি, লম্ব নাকলি। মথোয়না জাতিগী সংস্কৃতি নথোক শাম। খুদক্তা নহৈ চাদবা যাই, মশানা হিং-লিংলে। মশান মউগী অরাম্না শনযন উদবা যাত অতুব নথোয় সতনা জাতি অমা হি নবগী থোঙবান চেনবা মশাক্ত নথোয়তগী নবক্কা হৌজিক্কা জর্নেলিজমস্ত অমাম। হৌজিক্কা অমস্ত্র ঃগী নানি-পুবগী ফংলন ওনবা নৈখাব খব চাথোবকপা তাই, হাশাগী ওইদবা খব থাদোকপা তাই। মতুম Post Intelligencer হায়বা পাঙচে মতুগী Edward T. Stone না হায়বস্থা অমা লৌথোক্নুনা ময়ানদা থাকংপা অমগা নানমনা লাইশিঙ্গাব .. .... the golden years of reporting have only begun ... we report the events and ideas that move the world, that change the co[illegible] of history, that foretell the destiny of mankind"

য়াইফরবা স্তেত অমদা জর্নেলীস্তশিংগী থৌদাং—

লাইশ্রম জয়চন্দ্র

য়াইফবা স্তেত অমা শেমগৎপদা অমসুং লৈবদা জরনেলিষ্টকী থৌদাং অসি য়াম্না চাওই। অহানবদা, ঐখোয়না জরনেলিষ্ট হায়বসি মথৌ অসি করিনো অমসুং মখল কয়া থোক্লা খায়দোকপা য়াবগে হায়বসি হাম্না অমুক্তং খল্লবদা দরকার ওই।

পাওচেশিংদা হায়বদি খবর কাগজশিংদা পাও পীরিবা, পাও ইরিবা অমসুং পাওশিং অদুবু য়াম্না কুপ্না নৈনদুনা ইরিবা মীওইশিং অদুবু পুন্নমক্না "জরনেলিষ্ট" হায়না খংনৈ।

জরনেলিষ্টশিং অদুগী মরক্তা রেডিওদা পাও পীরিবা, পাও খোমজিল্লীবা অমসুং পাওশিং অদুবু নৈনদুনা ড্রাফলিবা মীওইশিং অদুবুনা ঐখোয়না Souud Journalist কৌই, অদুগা মখোয়না তৌরিবা থবকশি অদুবুনা Sound Journalism কৌই।

T.V. দা পাওগী শক্তম উৎলিবা অমসুং পাওশিং অদুবু লেংশিনদুনা শক্তম অমা ওইনা উৎলিবা কাংবুশিং অদুবুনা Visual Journalist কৌই।

জরনেলিষ্টশিংগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা বিষয়দা স্পেসিএলাইজ তৌবা জরনেলিষ্ট কয়া অমসু লৈ। মদুদি শান্নখোৎনবগী মরমদা স্পেসিএলাইজ তৌবা ওইরগনা Sports Journalist, ফিলমগী মরমদা Specialise তৌবা ওইরগনা ফিলম জরনেলিষ্ট অমসুং ইকোনোমিকস তা স্পেসি-এলাইজ তৌবা ওইবগনা Econoimic Journalist হায়না খংনৈ।

জরনেলিষ্টশিং অসিগী মরকতা তশেংনা কারবাবগুম্না মীনা নেকপা অমসু লৈ। অদুগুম্বা জরনেলিষ্ট কাংবুদু Jute Journalist হায়না কৌনৈ অমসুং মখোযগী থবক অদুবুনা Jute জরনেলি-জম হায়না খংনৈ।

পুন্নমকশিং অসিগী মথক্তা ওইদববু অওইবা শাদুনা রারী লিবা, পাও পীবা, মীনা তৌবা অকবা থবকপু অতোপ্পশিংগী মফমদা লাম্না উহম্নবা তোৎনবা কাংবু অমসু লৈ। মখোয়শিং অদুগী থবকপুনা মযাম্না 'Yellow Journalism' অমসুং মখোয় অদুগুম্বা কাংবু অদুবুনা 'Yellow Journalist' হায়না খংনৈ।

"অচুম্বদা য়ুম্ফম ওইবা" হায়বসিনা জরনেলিষ্ট অমগী অশেংবা মথৌনি। মখোয়শিং অসি শম্না হায়রবদা কুপ্পগী জাৎতা এটোমগী সাইন্টিষ্ট কুম্বা, য়াংবগী জাৎতা মঙালগী খোংচৎ কুম্বা, ১সুং

পুকচেল শেংবদা সাধু, সন্যাসিগুম্বা মীশক অমা ওইগদবনি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা জরনেলিষ্ট অমা ওইরবদি রাজনিতি ইথিল চংলোইদবনি অমসুং পুম্নমক অসিগী মথক্তা লৈবা শিনফম অমা ওইগদবনি।

থুমাং চাওশিনবা, য়াইফবা অমসুং মরা তপ্পা স্তেত, সমাজ অমা পুরক্নবা হোৎনবদা জরনেলিস্ত অমগী থৌদাং অসি যাম্না চাওথ্রে। প্রজাশিংনা নিংলিবা অপাম্বা লম্বী কযামক্নম অহু মযামগী মফমদা ফোংদোকহুনা থংহনবতা নত্তনা সবকারগী মফমদা অমসুং মবী লৈনবা মীওইশিংদা থংহনবা অসি জরনেলিষ্টশিংগী মতেংঙনা ওমই। অহুগা অমবোমদসু সবকারগী মবী লৈনবা মীওইনা মখোযগী অনিংবা অপাম্বা অহু প্রজাশিংগী মফমদা ফোংদোকপদসু সবকারনা জবনেলিষ্টশিংগী মতেং লৌই অমসুং মখোয়গী মতে তনা ওইথোকপা ওমই।

জরনেলিষ্টশিংনা সরকারগী মফমদা নত্রগা, প্রজাগী মফমদা অফবা, ফত্তবা বাফম নযা পস্নাব তৌবা ওমই। মসিগা লোয়না লোয়ননা প্রজাশিংগী মফমদা অচুম্বা লম্বীদা নিংথিদনা পান শক্লোকপা ওমই।

জরনেলিজম অমসু, খবর কাগজগী থবক অসি ফান্সকী নিংথৌবেল নেপোলিয়ন বোনাপার্টিনা য়াম্না কিনা অমসু থাক বানা লৌবমই। মহাক্না হায়বমই "মশিং যাম্নবা লাণ্গী তেঙ্গোল নযা মাযোক্নবদি অকিবা, তুজংবা পোক্তে, অহুবু খবর কাগজগী চেনা অমাগা মাযোক্নবদি য়াম্না কিজবা পোকই"। অসিদসু নত্তে, মযাম্নসু খংনরিবনি "Pen is mightier than sword" হায়বদি 'কলমনা থাংদগী হেন্না শক্তি লৈ' হায়বসি চুনশ্নবা ৱাফ নি

স্তেত অমদা হৌজিক মতমদা রাজনৈতিক অমসুং অর্থনৈতিককী অহোংবা অমা লাকপদা জবনেলিস্তশিংগী থৌদাং য়াওবা ডাক্লনি। ভারতকী নং তস্নাগী তৌখিবা আন্দোলোনশিং অহুদসু জবনেলিষ্টশিংগী অমসুং প্রেসগী য়াওন শিংপানিডাইনি।

স্তেত অমগী শেমগৎ শাগৎপগী থাক্তা প্রজা মীপুম খুদিংমক্না মখোয মখোয়গী অনিংবা অহু তোঙান তোঙান্না সবকারগী মফমদা ফোংদোকপা হাযবসি ম্নমিৎ খুদিংগী ঙস্বা পোৎ নত্তে। অহুবু জবনেলিষ্টশিংদি ম্নমিং খুদিংগী ওইনা অরেম্না লৈতনা প্রজাগী খোল্লাও অহু, অনিংবা পুমনমক অহু সবকারগী অমসুং মরি লৈনবশিংগী মফমদা তত্তনা য়োহনবা ওমই। অস্নমনা মখোয়বু মবি লৈনবা কাংবুবু প্রজাগী অনিংবা অহু কবিনো হায়বহু খংহনবা ওমলে, অমসুং সরকারবু প্রজাগী অপাম্বগী মাইয়োক্তা থবক চংথবদগী থীংবা ওমই। পুকচেল শেংবা অমসুং অশেংবা জবনেলিস্তশিংনা Facts and Figures শিংদা য়ুমফম ওইহুনা পিরকপা মত অমসুং পাওশিং অহুনা লান্না চৎশ্নগদবা লম্বী কয়াবু অচুম্বাদা পুরকপা ওমই অমসুং থংলমদবা কয়াসু নীংথিনা ভাব তাহনবা ওমই।

ঙসি ভারতকী মফম কয়াদ Joy Prakash Narayan না পাওজেল তাহনবা ঙমলিবা Prime Minister নত্ত্রু Joy Prakash কী ইহৌ অসিগী মরমদা করি থল্লিবগে হায়বসিগী মরমদা প্রজাশিংগী মফমদা মীৎ নাকোং শিংহল্লিবসি জরনেলিষ্টশিংতগী মহেংননি হায়বা য়াই।

জরনেলিষ্টশিংনা, স্তেত অমগী মনুংদা কনাগুম্বা ফত্তবা মীওই নত্রগা কাংবুন প্রজাশিংবু লান্না লমজিংনবা হোৎনবদা জরনেলিষ্টশিংনা য়ামনা ফজনা থিংবা অমসুং কনবা ঙমই। মথোয়না তৌবা থবকশিং অদুগী Facts and Figures পীদুনা খবর কাগজশিংদা তোয়না ফোংদকপা মতমদা অরানবা চৎনবা লমজিংলিবশিং অদু নিংহন্নবা অমা পোকহল্লি অমসুং মখোয়বু অচুম্বা লম্বীদা পুশিনবা ঙমই। সরকারনসু প্রজাগী অমসুং লৈবাককী ওইনা কবিগুম্বা ফত্তবা অনা হেক তৌরকপদা জরনেলিস্টশিং অদুনা মীয়ামদা expose তৌথোকতুনা, ফত্তবা অদু থীংনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌই।

জরনেলিস্টশিংগী থবক্তি সমাজগী অমোৎপা শেংদোকপা অমসুং সমাজ সংস্কার তৌবা অসিনা মরুওই-বনি। মখোয়দি সমাজগী ফনবা তৌবা কাংবুগী মরুপনি ১সুং লৈবাক্কী মাংনবা তৌরকপা কাংবুগী য়েরুবনি।

জরনেলিস্টশিংনা সমাজগী ওইরক্লিবা শক্তমশিং অদু মও চুম্না পীরগা পুমনমকপু অফবা মাইকৈদা চিংশননন হোৎনবদা য়ামনা মতেং পাংই। হৌজিককী যুগ অসদা হৱাগাড়ি চেলহন্নবা হোৎনবদা থাও চংদবা য়াদবগুম, মী হিংনবা হোৎনবদা চাদবা য়াদবগুম Brain চলাইনবা, বাখল খন্নবা হোৎনবদা ঈ-পাও চংদবা য়াদে। ঈ-পাও হায়বসি Brain গী দি য়াম্না মরুওইবা চিঞ্জাক্লি অদুনা 'Food of the Brain' হায়নসু কৌনৈ। Brain মপুং ফাননবগীদমকতা ঈ-পাওগী চিঞ্জাক অসি পিদবা য়াদ্রবনি।

য়াইফবা স্তেত অমদা মীওইবগী ৱাখলগী চিঞ্জাক পিনবগীদমক্তা জরনেলিষ্ট হায়বাস লৈতব ইয়ামক য়াদ্রবনি। রাজ্য অমদা জরনেলিষ্টশিংনা শক্তি নত্রগা ইরাং পুররুবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং অমা লোবা ঙমই। জরনেলিস্ত হায়বসি মথল য়ামখ্রে। অচুম্বা চৎপা, সনাসি অমগী ৱাখল লৈবা, রাজনিতিগী ইথিলগী মথক্তা লৈবা জরনেলিস্তশিংগী ৱাফমনি। মহাক্না ফোংলিবা, ইরিবা, লাওরিবা, উৎলিবা পুন্নমক অদু ওইদবনি, মিনম্বনি হায়শিন্নবনি হায়না প্রজাশিংনা খন্নগ্রবদি জরনেলিষ্ট অমা ওইবগী শক্তি, কান্নবা অদু লৈত্রে। অদুগা মহাক্বু হায়রবদি, ইরবদি অচুম্বা অমদি শোয়দনমক লৈরমলগনি হায়না প্রজানা থাজনা থমগ্রবা অদুগুম্বা জরনেলিস্তশিংগী শক্তিগী ৱানি।

অফবা, অচুম্বা চৎপা, প্রজাগী থাজবা ফংলবা জরনেলিস্ত অমগী থৌদাংদি সরকার অমনা প্রজাগীদমক্তা লৈরিবা দায়িত্ব অদুন্মক চাওনা মহাক্কীসু লৈরবনি। সমাজগী অরানবা লম্বী কয়া জরনেলিস্তশিংনা অশেংবা, অচুম্বা মচাক কয়া প্রজাশিংদ ৱাখলদা পীরগা ফত্তবশিং অদুবু চুমথোক্নবা লম্বী নিংথিনা পীবা ঙমই।

মনিপুরদ রেদিও জর্নেলিজম
(তি: ভি: জর্নেলিজমগী তুংগী আশা)

নিংথেমচা মায়পাকসনা

কলম্ন থাঙ্‌দগী হেন্না মপাঙ্গল কল্লি হাযব অসি ময়াম পুন্নমক্ক যানরব পাউরো অমনি। মতাং অসিদ কলম হায়ব অসিন অইব মীবু খঙ্‌নৈ। জরনেলিজম হাযবসিনা মীয়ামগী ওইব জবনেলশিংদ পুথোক্কবগী থবক নত্রগা জবনেলশিং অতুগীদমক্ক পাইন ইববু খঙ্‌নববস্থ ৱাহৈ অসিমক্ক চুম্নগী ইব হায়ব অসিবুস্থ খোল্লি। মবম অসিনা জরনেলিজম হায়বসি খ্বাইদগী হেন্না মপাঙ্গল লৈব থাঙ্‌দগীস্থ হেননা মতিকলৈব থুংলায় অমা ওইরে। হৌজিক্কী পৃথিবীদাদি থাক্ত হায়বসিনা শাবমচংকী পাঙ্গল থৌনাবু খঙ্‌নৈ। অতুগা জরনেলিজম হাযবাসনা প্রেসপুস্থ খঙ্‌নব যাই। প্রেসপু মরীস্থবা কাঙলুপ অমনি হায়না অমুক লৌনৈ। অতোপ্প কাঙয়ুপ অহুম অতুনা এক্জেক্‌-য়াশতিক্স, নোবলস অমস্থং কম্মনরসিংনি। হৌজিক্কী মতমদদি প্রেস হাযবসি মীযামদ ঈ-পাউ পীনব খ্বাইদগী মপাঙ্গল লৈব পাম্বৈ অম ওইরে। অতুগা ব্রোদকাশতিং হায়বসিস্থ হৌজিক্তি খ্বাইদগী হেন্না ঈথিন কন্ন মীয়ামদ ঈ-পাউ শন্দোকনবগী পাম্বৈ অম ওইবে। মবম অসিনা রেদিও জরনেলিজম হায়ব অসিনা চুম্নতগী অচুম্ব থৌদোক ৱাথোককী পাউ শন্দোকপদ নওন খ্বাইদগী থুবা মঙদা পৃথিবী শিনথুংনা মোং, কমেণ্ট অমস্থং ক্রিতিশিজম শন্দোকপগী থবক তৌবদস্থ য়াম্ন মরুওইব থৌদাং য়াই।

রেদিও জরনেলিজম হায়ব অসি বেদিওনা শিজিন্নরিব জবনেলিজম অতুবু খঙনবা য়াই। অতুবু অশেংবমকতি জবনেলিজমগী ময়াম্ন খঙনরব আর্থ অতু নত্তন অতোপ্প আর্থ লৈতে। মসিদ হেনজিল্লকইব খুদোংচাবা হায়ববু রেদিও জরনেলিজমদদি ফোংদোকনবগী পাম্বৈ অতু ওয়ারলেসনা ওই অতুগা ময়াম্ন খঙ্‌নরিব জরনেলিজম অসিদন ফোংদোকনবগী পাম্বৈ অতু পাউজেলচেশিং অমস্থং জরনেলশিংনা ওই।

মনিপুবদদি বেদিও জরনেলিজম হাযব অসি যাম্ন নৌনা হৌরকলিব অমনি। মফম অসিদদি জরনেলিজম হাযবসিমক হৌজিক হৌজিকমক নেম্ন লৈরিব অমনি; পাউজেল চেশিং অসি ফাওবদা য়াম্ন থেংন কুনশুব চহি চাদ হৌখিবনি। মসি খঙজিনব য়াব অমনি মতুদি ওল ইন্দিয়া রেদিওগী ইম্ফাল

ষ্টেশন অসি ১৯৬৩গী আগষ্ট তাং ১৫ তদা হোঙ্খিবনি অদুগা মসিগী ঈ পাউ পীবগী থবক অসিদি চহি অমরোমগী মতুংদ হৌখিবনি। অদুনা ষ্টেত অসিদদি রেদিও জরনেলিজম অসি চহি তরা রোম্নতমক মশুরি হায়ব য়াই। লৈবাক অসিদ রেদিও অমসুং তেলিভিজন অসি সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টগী হেক খুত্থম মথামক্তদ লৈদুনা অথিবা কয়া লৈবসু রেদিও জরনেলিজম অসি নৌরিবা অঙাংগী থাক্ত লৈ হায়বদি য়াদে। অদুবু বৃত্তেন্দা তৌবগুম্ব এঃ আই আরঃ অসি কোর্পোরেশন অমা ওন্নব ৱাক্মদি লৈরে।

ঈ-পাউ ফংফম অসিদি ভশেংনমক মনিপুব সরকার অমসুং সেন্ট্রেল বৃল্লেতিনগী মতেংন ফংবনি। মরম অসিনা এ আইঃ আরঃ ইম্ফালন শন্দোকলিব ঈ পাউ অসিদি স্তেত অমসুং সেন্ট্রেল গবর্ন-মেন্টনা চুমলে হায়না লৌরব অমসুং ওফিসিয়েল ওইরব ৱাকম অদুত্তনি। অতোপ্প মখল মথা গয়াম্ব হিরম কয়ামক মোং পীবগী মংাংদদি, মনিপুরগীদি লায়রদুনা, ভারতকী ওইন রেদিও অসি অথিংবা অমসুং মথক থোংব ওথোরিতিশংগী যাথংন লাক্নোই চন্দুনা লৈ। হিরম অসিদদি রেদিও জরনে-লিজম অসি পেন্দনা তৌবগুম মনিঙ মথা তৌব ফংজদে।

রেদিও জনর্নেলিজমদদি অথিংব লৈতনা ভাঙ্ব য়াবগী কা অসি ইরৈ লৈতে, সুকলৈবু লৈতে; করিগুম্বা হিরম অমদ স্তেত গবর্নমেন্ট অমসুং সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টগী মায়োক্তা ফত্তবগী তুকা থিব য়াদে। অল ইন্দিযা রেদিও অসি ইমফোরমশন অমসুং ব্রোদকাশতিং মিনিষ্ট্রী, ইন্দিয়া গোবর্নমেন্টকী মখাদা লৈব মরমন অমসুং রেদিও ষ্টেশন পুম্নমক অসি সেন্ট্রেল ওফিসিয়েলশিংগী মিংয়েং অমসুং খুত্থম মখাদ থবক তৌব মরমনা রেদিও জরনেলিজমনা লৈঙাক্তী অমসুং লৈবাক রায়েন থোদাগী হিরমদ অথিংব অমসুং অপন্ব কয়ামুক্ত মায়োক্কি। অদুম ওইনমক ফজরোল, নাং, লোন, পুদিন অমসুং লৌশিং লোলগী লমদদি রেদিও হায়বসি মতিকলৈব অমসুং তৌবঙম্ব মীয়ামদ ঈ পাউ পীনব খুংলাই অম ওইবে।

জরনেলিজমদ ময়ামগী শুইন চঙ্লির্বশিং অদুমক রেদিও জরনেলিজমগীসু চঙ্ই। হিরমসিদদি খেন্নব লৈতে। জরনেলিজমন থক্ত থোকলিব মুন্নিংকী মখাদ লৈরিব হিরম খুদিংমক খোল্লি, মতুতসু মত্তে সৌরজগৎ অমসুং মসিগী রাংম ফাওব খোল্লি। মসিনসু লোইদে, করিগুম্ব হিরম অমদ অনৌব অম হেন্নগংলকপ নত্রগা অনৌব থৌদোক হেক থোকলকপ অদু জরনেলিজমগী মতেংন মীয়ামদ খঙ্মমব, চুম্ন অমসুং খুদক্ত শন্দোকপ তাই। খুদিংমকপু খঙ্ঙম্ব অমসুং রাহৈদ ফোংদোকপ ঙম্ব জরনেলিস্ত অমগী পুম্নমক খঙঙম্ব ৱাথল লৈগদবনি। মরম অসিনা জরনেলিস্ত হায়ব অসিদি পোং খুদিংগী মরমদ থরদ ওইববসু খঙ্ব মদুগা পোং থরগী খুদিংমক খঙ্ব মী অম ওইগদবনি। মহাক্তি লৌশিং অমসুং ঈ-পাউগী লনগৈ অম ওইগদবনি। মহাক্তি খুংফোংদোকপসু শমগদবদি অমসুং অশেং অশেংগদবনি। মশি তৌগে হায়বদি মহাক অকক্কবা লোল অমদ পুমথঙ্ খঙ্ব মী অম

ওইগদবনি। মসিদ নত্তন অনৌব ৱাখল শন্দোক্লনবগীদমক্ত অনৌব ৱাহৈ ফাওব শেমগদবনি।

রেদিও জরনেলিজমদ তারিবশিংগীদ অনৌব ৱাখলশিং শন্দোকনবগীদমক্ত ইংরাজীগী অনৌব ৱাহৈশিং ইতত্তনা শিজিন্নৈ। মখোয়গী মনুংদ খরদি এসকালেশন (শন্দোকপ), হোট লাইন (থুংনা পাউ থাদোক-থাজিন তৌনব ওয়ারলেশ লিঙ্ক), অগত্রোনোট (আমেরিকা), কোশমোনোট (রুশিয়া) অনিমক্কী আর্থদি শুন্দ্রংদ স্পেসক্রাপ্ত থোক্নুনা কোয়ব, স্পেসরাকিং (শুন্দ্রংদ চংপ), স্কাইরাইতিং (প্লেনদগী কামথোকলকপ মৈখুনা অতিয়াদা ৱাহৈ ওইনা ইবা)। ৱাহৈশিং অসিগী অয়াম্বদি ডিক্স-নারিদ ফংলোই। মখোয়শিং অসি জরনেলিস্তশিংনা অনৌব মালেমদ ওইরকলিব অনৌব হেনগৎ-লকলিবশিং অমসুং ফংলকলিবশিং অতুগা চননবগীদমক্ত শেমখিবনি।

মসিগা মান্নন মনিপুরদসু অল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফালগী জরনেলিষ্টশিংনা অনৌব ৱাহৈ কয়া শেম্লে। মখোয়গী মনুংদ খরদি য়াইফ য়ুম্বাল (ফেমিলি প্লানিং), শেমগৎ শাগৎপা মন্ত্রি (দিভেলপমেন্ট মিনিষ্টর), শুন অতিয়া (স্পেস), পন্থুং (তার্গেৎ), পান্দম (ওবজেক্ট), শিল্লম (তেক্নোলোজি), শানরোই (প্লেয়ার), শেনথং (লোন), লৌচা পথাপ শেমদোকপ (লেন্দ রিফোর্মস), অশংব য়াওন (গ্রিন রিভোলুসন), লানথোকচব (প্রজেনতেসন), অরাং পুরেল (চিয়ারমেন, রিশেপশন কমিতি), তাংলোয় নত্রগা লোয়নবা (ৱাইক), শকখঙচে (ক্রেদেনশিয়েল), মীরেপ (ইলেকশনগী কেন্দিদেৎ), মীহুৎ (রিপ্রজেনতেতিভ), চম-থোক্লব (শেতলমেন্ট), মীচং চুংশিন্নবদ য়াওদব (নন-এলাইন্দ), চাওখৎলোন (সিভিলীজেসন), য়াইফ খোংচৎ (গুদ-বিল ভিজিৎ) অসিনচিংব।

মরম অসিন অতুম্ন হায়ব য়াই মতুদি রেদিও জরনেলিজমন মনিপুরীগী ৱাহৈ অসি খর ফাওবদি হেনগৎহল্লে। হৌজিক ফাওবদ হেনগৎহন্নবগী লম লৈরি। মীয়ামদ করিগুম্ব খর শম্ন খঙহন্নব তৌদব য়াদব অসিন অনৌব ৱাহৈ কয়া শেমদব য়ারক্লে।

রেদিও জরনেলিজমন মনিপুরদ মওং কয়ামরুমদ যোংদোকপগী পান্থ অসি হেনগৎহল্লে। অতুগুম্ব খুৎফোংদোকশিং অমসুং ৱাহৈশিং অতু থৌদোক কয়াদ মী অয়াম্বনা শিজিন্নব য়াওরে। লোন অসিবু ইনাক খুন্নবগীদমক্ত ৱাহৈ পুথোকপগী থবক্ত মসিনা পুক্রিং থৌগৎলি। অতোপ্প মচাক অমন পাউজেলচে পাব মীগী মশিংদগীদি রেদিওগী জরনেলিস্তনা শন্দোকপ ঈ-পাউ তাবগী মশিংনা য়াম্ন হেল্লি। য়াম্নবদা মনিপুরদা পাউজেলচে পাব মী মশিং লিশীং অনি ওইব য়াই অতুবু য়ামত্রবদ রেদিওগী ঈ-পাউ তাব মশিংদি লাক্ষ কুননি। মরম অসিনা চুম্নগী জরনেলিজমন তৌব ওম্বদগীদি রেদিও জরনেলিজমন হেন্ন তৌব ঙমই।

তিঃ ভিঃ জরনেলিজমগী তুংদ ফরক্কদব ৱাখলঃ

(প্রোসপেক্ষ ওফ তিঃ ভিঃ জরনেলিজম) রেদিও জরনেলিজমদদি থৌদোক ৱাথোক্কী অচুম্বশিং অতু মীয়ামগী মফমদ তাহন্বগী মতেংতনা শন্দোকপ ঙমই। অতুবু তেলিভিজননদি মীয়ামদ খুদক্ত

উহৎবগী খুদোংচাবা অতু পী। মরম অসিনা তশেংব খুদম পীতুনা মীয়াম্বু খঙহন্নবা হোৎনবগী মতাঙদ তিঃ ভিঃ গী খুদোংচাবা হেন্না লৈ। রেডিওনদি রাখলদত ফাওহন্ব ঙমই। অতুবু তিঃ ভিঃ গী পাউদদি য়েংলিব মী অতুনা পাউ পীরিব মী অতুগী খোঙ্গেল তাবত নত্তন পাউ পীরিবা মী অতুগী মশকম্বু উব ফংগনি। মরম অসিনা চুম্নগী জর্নেলিজম অমদ দরকার ওইবিব অতুদগী হেন্না তিঃ ভিঃ জর্নেলিজমদ হেনজিন্ন দরকার ওইশিন্ন করিম্বু লৈতে। অতুগীম্বু মথক্ত ভারততদি তিঃ ভিঃ অসি হৌরকপগী থাক্ত লৈরি অতুগা হৌজিকমক্তি অনৌব দিল্লিগী মফমদদ লৈরি। কলিকতা ফাওবদ লিংখৎত্রিব মতম অসিদ মণিপুরদ তিঃ ভিঃ লিংখৎপগী ওইথোকপা য়াবা অতু উব ঙম্ব তুংগী লমফাওবদদি লৈত্রি।

মরম অসিনা তশেংনমক অম্নুম্ন হায়ব য়াই মতুদি মণিপুরদ হৌজিকমক্তি তিঃ ভিঃ জর্নেলিজমগী তুংদ ফন্নকনি হায়বগী রাখল অসি লৈতে। ইম্ফালদ তিঃ ভিঃ স্তেশন লৈরব ফাওবদ তিঃ ভিঃ শেং লৈব অয়াম্বন ঙম্নরোই, মশিমক্তম্বু তিঃ ভিঃ জর্নেলিজম অসি তুংদ পংফ ফরকনি হায়বগী আশা উদে মরমদি মশিনা মী থরত্তবু কোনশিন্ন ঙম্বনা। ☐

T. B. IS TREATABLE

T. B. can be treated successfully.
Regularity in taking drugs initiates success and completion of the course of treatment ensures it.
Consumption of daily quota of medicines is a must.
Premature stoppage of treatment is a don't.
Irregularity in taking drugs leads to drug resistance.
Drug resistance leads to treatment failure.
Treatment failure leads to loss of life.
Premature stoppage of treatment results in relapse.
Relapse calls for re-treatment.
T. B. treatment takes a long time
It taxes the brain and the purse.
It vexes the poor most.
So, the Government provides free T.B. services.
Avail them without fail.
T. B. treatment requires supervision.
Only National T. B. Programme provides it.

National T. B. Programme,
MANIPUR

GROW MORE VEGETABLES

A. Vegetables are good food
Because.

1. They are rich in Proteins, Vitamins, Minerals and Carbohydrates.
2. Vegetable cultivation gives maximum profit Because.

★ 1. They give maximum return within very short period
2 They can be cultivated at a small space of land in every homestead.

3. **The vegetable cultivation can be afforded by every farmer.**

C. **The ate also very good sunstitute of food shortage season is fast passing.**

So immediately good quality & high yielding summer vegetables like French Beans, Bhindi, Brinjal, Chillies, Bitter Gourd, Sweet Gourd, Sponge Gourd, Snake Gourd, Cowpeas etc to give you good profit and make you rich both physically and mentally

For Different kinds of good quality seeds and seedlings & other details contact nearest Horticulture Officer At the districts and directorate of Horticulture and soil conservation, Sanjenthong

DEPARTMENT OF HORTICULTURE
&
SOIL CONSERVATION
MANIPUR.

মনিপুরদ চেক্লোঙ্‌লোন (জর্ণেলিজম) চাওখৎলকপ অমসুং ভুংগী কীভম

* দোঙ্‌জরাং এমঃ বগী

ব্রাহ্‌ঈ[illegible]

চেক্লোঙ্‌লোনগী [illegible] মনিপুরদা প্রেস [illegible] শিং য়াংখৈরোম ফংলে। যুগ অসিগা চান্না (পোৎ শাবগী বিজ্ঞান) অমসুং যন্ত্রগী খরক্তা চাওখৎপা যংলবসু [illegible] । যাম্না স্তইল (ইবগী মতৌ) ওইব ময়েক অমসুং ইংরেজীগী মার্ক [illegible] । [illegible] খইবসু ভাংলি। নোংপোকলম চিদাই মনিপুরদা কোংব চেকোঙ [illegible] ওইন শিংনানদে। অতৈ স্তেংকৌদি চহি কুইন হিংলকপ মশিং য়াম্ন চৎপ অমসুং [illegible] ওইব মকম ফংলে। আসামদা কোংলিব মুংতিগী খবর 'আসাম ট্রিবুন' অসি অকাওবা [illegible] য়াম্ন নোপলবসু কাবক চৎনবদি ময়ারে। মনিপুরগী চেক্লোঙ্‌গী মসিনা খরতেম্ন চা[illegible] লানদে। মনিপুরদা খবর অমসুং জর্ণেলিজমগী ইন্দাস্ট্রি চাউখৎপ থীনবশি রেল লৈতব, মনিপুর মগুংদ [illegible]-পোং ফত্তবা, চীং মান্দ মুংতিগী গাড়ী চেন্দব, চেক্লী মমল হেনগৎপদা লৈব ওম্নবা, পাবি[illegible] ঙংপ, মচাক [illegible] চেকোঙ্‌গী মমল ভাংমনবা, চেকোঙ্‌গী স্টোক থাৎপা অমসুং সরকারগী পোগৎপ থাংপানচি[illegible] য়াই। চেকোঙ্‌ অয়াম্ব কুইগন্দবা অমসুং কারবার ওইনা চৎপ ভনদব অসি মহৌশাদগী হৌজিক ফাউবা অসুম ফংই। অরাবসিং অসি অমুক হন্না খন্দনবা ঐনা তকশিল্লিই,

হিস্তরিকেল বেকগ্রাউন্দ (ইতিহাসকী য়ুমফম)

ঐখোয়না ফংব ইতিহাসকী জ্ঞান্দা খৃঃ ৩৩ দগী মনিপুর অসি ভারত্তা সাসন তিয়ক্রিকাউবা নিংথৌপানবা লৈবাক ওইরকই। খৃঃ ১৮৯১ দগী মপুং ওইনা ব্রিতিশনা ভারতকী মকম অতৌবা থাক-পগুম তৌই। মী অমগী নিংতম্না ফোংদোকপা অমসুং বাখল খনবসু হৌজিক য়াবিবা অকিভম চহী অসুক কুইবস ফংখিদে। অবিব মতমদা জর্ণেলিজম থর চৎলরম্মী। মৈতৈ পাউরোদা নিংথৌগী না-কোংদি ফকলাংদা থেংলি হায়নৈ। পাউ খোম্নবা মী মকম পুম্বদা থমখি। লৈবাক পুম্না দরবার তৌম্না

* ডিঃ এমঃ কলেজ আর্টস এন্দ কমর্স্‌কী ওজা।

থরখিবা শগোল তোংবনা মকম থুদিং শন্দোকই। য়ুম্মাং পাউ তাক্লবা শাগেগী কম হাপই। খুনগী য়ুমথোং য়েমা মথং মথং পাউ চৎনবছু চৎনৈ। পানা অমসুং লৈকাইগী ওইনা পাউ শন্দোক্লবা অমসুং তক্লবা কম লৈরম্মী। নিংথৌনা তোগে নিংবছু চৈহনবা ফংদে।

লৈবাকী ওইনা থোকপা অতু নিংথৌগী বা তারগা পণ্ডিত লোইশংনা মৈতৈ ময়েক্তা চৈথারোল য়ুম্বাবদা থোকখিবা মতমগা কোন্ননা ইশিনখি। মরুওইবা পাউ নৈনফম অসি লৈকায়গী লৈপুং কমকমদনি। কৈথেল অকা-অকুম তোব ইমা-ইবেনশিংনা য়'রি শানছুনা অচোব থোদোক কয়া নৈনৈ। নিংতম্না কোংদোকপা ওইথোকখিদে। নিংথৌগী ইন্তরেষ্ট সোক্লা মত কোংদোকপদা লৈকাইদগী তানথোকপা, অঙাং ওনহনবা, চৈনা য়েবা অমসুং বন্দিদা থম্ব অসি কয়া তৌনরম্মী। নিংথৌ, নিংথৌমচাশিং অমসুং লৈবাকী অঙবশিংবু বিব অসি ভারতনা নিংতমব্রিটৈ অমসুং গনতন্ত্র চৎত্রিকাউ তৌনরম্মী।

<u>প্রেস অমসুং চেকোক্ত চৎলকপা</u>

চাইমিজশিংনা চে অমসুং ছাপা নম্বা ইহান হান্না পুথোকই। নোংচুপলোমদা ললোনবা নত্রগা তীর্থ চৎপা কাংবুন লম্বেলদা পাউ অসুং ছাপা শন্দোকখি। খৃঃ ৮৬৮ অমসুং ১'৪৫ গী মসুংদা চীনানা লেঙ ঙংপগী নমুনা পুথোকই।

জেসুইটশিংনা খৃঃ ১৫৫০ দা ইহান হানবা ছাপা নম্ববা থুংলাই পুরক্তুনা পোর্টুগীজ, তামিল অমসুং মলায়ালমদা ধর্ম্ম সাহিত্য নমছুনা শন্দোকই। বৃতিশ ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পানিনা পুরকপা প্রেস পুম্নমক খৃঃ ১৬৭৪-১৭৫৩ দা থবক অমত্তা তৌখিদে। লৈবাকী ফিভম ফত্তবা অমসুং মুগল কোর্টনা থম্ব থুং কজনা ইব মীওইশিংনা ছাপা নম্ব চাঙথংহল্লমদে। ইংলণ্ডদা চৎপহুগী মতৌ তমহুনা ভারতকী অচৌবা সহরদা ছাপা নম্ফম অমসুং থবর চৎলকখি। মনিপুরদা বৃতিশনা চংলকপা মতমদা ঈ-পাউ নম্বা অমসুং চহীগী রিপোর্ট থাগৎপা অসি কলিকতা অমসুং শিলংদা ছাপা তৌনরম্মী। মনিপুরগী ছাপা তৌছুনা ফোংলম্বা লাইরিক অয়াম্বা ছিলেট অমসুং শিলচরদা তৌখি। ছাপা তৌরবশি ইংরেজি অমসুং বাঙ্গালীদা ওইথি। খৃঃ ১৯১৮-১৯ দা লৈঙাকী ছাপা নম্ফম লিংই। স্তেৎ প্রিনতিং প্রেস চপ চানা লিংত্রিঙৈদা লয়াই প্রেস অমদা সরকারগী রিপোর্ট অমসুং বিলনচিংবা নম্ববগী প্রমান ফংই। মথংদা প্রাইভেটকী ওইবা খৃঃ ১৯৩০ দা 'চূড়াচান্দ প্রিন্টিং প্রেস' লিংছুনা থবর অমসুং মেগাজিন চথবা হৌখি। মনিদগী ছাপা নম্ফম য়ামথোরক্লে।

বৃতিশনা শাসন তৌব মতমদা থোকখিবা মনিপুরগী জর্ণেলিজম অসি লম অসিগীদি মপানলোয়নগী লোকলকই। মপান্দ লাইরিক তম্বা মৈতৈ মচাশিং, নোংচুপকী শিক্ষা হায়া চংবা কাছার অমসুং ত্রিপুরাগী মৈতৈ মচাশিংগী লোম অমসুং জাতিবু থুংশিহনা 'মৈতৈ লৈমা' (১৯১৭-১৮) অমসুং 'জাগরন' (১৯২০-২১) দা ফোংখি। মনিপুরগী ওইনা লিথোদত্তা ফোংবা 'মৈতৈ চনু' পনবা য়াই। অরিবা

খবর অমসুং জর্নেলশিং অসিনা লোন চাওখৎনবা ইন্দা থবক কয়া পুখেক্কনবা হেংঅখি। অদুবা মনিপুরগী সাহিত্যদা মখোয়গী শক্তি উহনলি। চেকোঙলোন খরনা মৈতৈ লিংথৌবু খাগৎপা অমসুং মনা মথিন দৌবা উই। মাদুগা হেন্না রাজনিতিদা হকচিনবা ভুক্তিসপু চৈব অমসুং নীখিল মনিপুর মনা মথিন লৌবা উই। হিন্দু মহাসভা লিংথুনা ভারত কংগ্রেসকী নিস্তি ইন্দুনা সিংথনখাম হৌবা থেংনৈ। ভারতকী মশিং চৎলবা মেতাশিং অমসুং রাজনিতিগী খোদোক বয়াদা থাগৎনমা স্বাধিন কনবা চংশিনখিয়ে। লৈং ভাকলিবা বিলাতকী সাহেবশিংনা চেকোং থিংজিনবা অমসুং রাজনিতিগী মীওইবু বন্দি তৌখি।

সাহেবনা শাসন তৌত্রিকাউবা মনিপুরগী ওফিসিয়েল লেঙ্গুএজ মৈতৈলোন্না ওইরি। খৃঃ ১৮৯১গী মতুংদগী কায়দনা লাকই। চহি ১০ মুক অসিদা মনিপুরী ওফিসিয়েল ওইবনা কায়বগী খিনা য়েৎনরক্লি। চেকাংশিংনা বারেং, শৈরেং অমসুং পাউ চাওখৎলক্লি। হৌজিক্কি চেকোংশিংগী বাহৈ-বাতাদা মমাংদৈগীগা থেম্নবা হায়ববু বিজ্ঞানগী বাহৈ রাউশিল্লকপা গনতন্ত্র অমসুং ডেমোক্রেসিগী বাখল তাবা হেনগৎলকপনি। মমাংদৈদনা লাইনিং থর্মবু চেৎনা থাজনবা কই। চেকোঙ অমাম্বা লৈশেম অমসুং থুম্নাইগী থবক লোইনৈ। সরকারনা প্রেস মুখৎপা, চেকোং লেপহনবা অমসুং মতম মতমগী প্রেস লৌ চংহন্দুনা অবেংব (সম্পাদক) লাকনবা হেক হেক তৌই।

চেকোঙলোন অসি ইম্ফাল, মনিপুরগী স্কুল, কলেজশিং, চীংগী লোন্দা চংথৈ। ইম্ফাল নত্রবা মেইরাং, ককচিং, থৌবাল, লমশাং অমসুং চুরাচান্দপুরদা হৌরক্লে। মনিপুরগী মপান্দা কাছাড়গী লমদগী ফাকলিবা চেকোংশিং— চৈজিং (কাটরলি), পাম্বা (থা ২/২ গী), ঐথোয় (চয়োল), অনৌবা ইচেল (কাটিংলি), নোংপোক মৈরা (থাগী), পোক্কমলোন (থা ১গী), মরূপ (চয়োলগী-আগরতালা) অকোনবদা য়াউরিবা চেকোং অদুম অসি হৌজিক হিংলি।

ইংলিবসি মালেমগী ওইবা বাকমদ পংয়ো য়োদে। কুকপ অমসুং মালেমগী বাকমবু পার্টি অমসুং লোকেল ইন্টরেস্টতা শেমদোকই। শিজিন্নরিবা খবরগী লোমশু পংক ফজবা নত্তে।

লোন, ইবগী নওংদা ফীদম ওইবা চেকোঙ ইয়াঙ য়াওদে। খবর অমসুং মেগাজিনশিং অসিদা ইরিবা শ্রী অপুম ইমাং মারৈ। মী মশা অমত্তনা ইবা থেংনৈ। প্রোগ্রেসিভ (চাওখৎপা) ওইবা য়াম্না দরকার ওই।

চেকোঙলোনগা লোইনরকপা অবেংবশিং অমসুং ইজনবা মশক নাইবা মীওইশিং মশিং থীব ওজনা লৈরে। মর লৈথিল্লমগু অজাম্বনা হিংলি। লান মতুংদগী ইরকপনা অয়াম্বনি। মখোয়গী থক্না চেকোঙলোন মপুং ফাহনবনি। নেতা, ইডুকেসনিস্ট, সাহিত্যকার অমসুং হৌগৎলক্লিবা মহা-রোল কয়া মাইকৈসিদা চংশিল্লি।

<u>মশিং চৎপা চেকোংশিং :—</u>

কোঙলিবা মশক মতুংইন্না ইথোকপা মখাদা পীরি। এন্না থেংনবা অমসুং হান্না চেকোঙলোন

তৌরকপা মীওইশিংগা জায়রগা লেপনি। মনিপুরগী মপান্দা কোংখিবা চেকোংশিং অমসুং চৌংবী লোনশিংগীদি তোপ্পা থমজরে।

(ক) সুংতিগী কোংবা পাওজেলচেশিং

১	দৈনিক মনিপুর,	মৈতৈলোন,	ইম্ফাল,	(ইচেল লেপপ্রবা)।
২	ভাগ্যরক্ষি পত্রিকা	,,	,,	,,
৩	প্রজা	,,	,,	,,
৪	মতম মনিপুর	,,	,,	,,
৫	প্রজা শক্তি	,,	,,	,,
৬	স্ফূর্তি	,,	,,	,
৭	প্রজাতন্ত্র	,,	,,	(হৌজিকমক হিংলিবা)
৮	সীমান্ত প্রত্রিকা	,	,,	,,
৯	অনৌবা সমাজ	,	,,	,,
১০	সনা লৈবাক	,,	,,	,,
১১	মীচৌ	,,	,,	,,
১২	মনিপুর অবাবজর,	ইংরেজী,	,,	(মীচেল লেপপ্রবা)
১৩	ইস্তরন ষ্টেন্দরদ	,,	,,	(হৌজিকমক কোংলিবা)
১৪	মাদব মনিপুর	মৈতৈলোন	,,	(লেপপ্রবা)
১৫	নাগরিক পন্থ	মৈতৈলোন+হিন্দি	,,	(হিংলিবা)
১৬	মনিপুর অরবা	মৈতৈলোন	,,	(লেপপ্রবা)
১৭	জনমভুমি	,,	,,	,,
১৮	খোঙাঙ	,,	,,	হিংলিবা

থাইদগী চংনা অমসুং কুইরক্লবা পাউজেলচে অদি 'প্রজাতন্ত্র' নি। মোংবদা কপী মশিং ২,০০০ হেল্লা চংলি। 'সনা লৈবাক' অমসুং 'সীমান্ত প্রত্রিকা' কপী মশিং ১০০০ নপী হেল্লা নরই। মমাংতৌদা কোংখিবা 'দৈনিক মনিপুর' থবর অদি মোংমদা অয়ুক অমসুং নুমিদাংগী থুংকোঙ্ অনিরক থোক্নবা কপী মশিং ৫০০০ য়োনবগী পাউ কংই। মনিপুর অমসুং ভারতকী মফমদদা নমবা বর্মা দেশকী মৈতৈ ভাব থকমশিংদসু য়োথি। আসাম কাউবগী মমুংদা থাইদগী হানবা মোংমগী চে-কোঙ্নি।

(খ) চরোল অমসুং থাথায়গী চেকোংশিং :—

১। ফজন মনিপুর, মৈতৈলোন চরোম্দা কোংবা' (ইচেল লেপপ্রবা)

২। মণিপুর গাজেট,	মীতৈলোন	চয়োল্দা কোংবা,	(হৌজিক লেপ্প্রবা)
৩। লৌমী	,,	,,	,,
৪। থাথায়গী চেকোং/চয়োনগী চেফোং	,,	,,	(হৌজিক চয়োলগী চপিরি)
৫। মণিপুর টাইমস	ইংরেজী	,,	,,
৬। ইস্টরন এক্সপ্রেস	,,	,,	(হৌজিক লেপ্প্রবা)
৭। হিল সোর্টর	,,	,,	(চথরিবা চুরাচান্দপুরদগী কোংবা)
৮। থু থাং	,,	,,	(হিংলিবা চুরাচান্দপুর অমসুং ইম্ফালদগী কোংবা)

৯। ঈরৈবাক	মীতৈলোন	থাথায়দা কোংবা, চয়োল্দা কোংবা	(হিংলিবা) (লেপ্প্রবা)
১০। লাসানী	,,	,,	,,
১১। ভারত সেবক	,,	,,	,,
১২। অনৌবা মণিপুর	,,	,,	,,
১৩। যুগকী ঈচেল	,,	,,	

গ) পেরিওডিকেল অমসুং থা ২/৩দা থোকপা মেগাজিনশিং

	মীতৈলোন,	থাগী চেকোং,	ইম্ফাল,	লেপ্প্রবা
১। য়াকাইরোল,			,,	,,
২। সঙ্গীত মঞ্জরী	,,	,,	,,	,,
৩। জ্যোতি,	,,	থা ৬/৬	,,	,,
৪। সাহিত্য পরিষদ পত্রিকা	,,	থাগী চেকোং	,,	,,
৫। মতম	,,	,,	,,	,,
৬। ঙসি চিঠী মকুশ	,,	থা ২/২	,,	হিংলিবা
৭। ঋতু	,,	,,	,,	,,
৮। সাহিত্য	,,	,,	,,	,,
৯। বাখল	,,	থা ৩/৩	,,	,,
১০। মতমগী খোঙথাং	,,	,,	,,	,,
১১। মালেম	,,	থাগী চেকোং	,,	,,
১২। মতম	,,	,,	,,	,,
১৩। পঞ্চয়েতী রাজ	,,	,,	,,	,,
১৪। মণিপুর কো-ওপরেটিভ,	মণিপুরি + ইংরেজী	,,	,,	লেপ্প্রবা
১৫। দি কলচরেল ফ্লো	ইংরেজী	থা ৩/৩	,,	

১৬।	খিখবাবী*	মীতৈলোন	থা ১গী	ইম্ফাল	(লেপপ্লবা)
১৭।	অয়োগ্য	,,	,,	,,	,,
১৮।	খ্রাঙ্গব	,,	,,	,,	,,
১৯।	নাচোম	,,	,,	,,	,,
২০।	লময়ানবা	,,	,,	,,	(হিংলিবা)
২১।	সৎসঙ্গ	,,	,,	,,	(লেপপ্লবা)
২২।	মচা লৈবা	,,	থা ৪/৪	,,	(হিংলিবা)
২৩।	অশুলবা	,,	,,	,,	,,
২৪।	মনিপুর ওলেম্পস	,,	থা ১/১	,,	(লেপপ্লবা)
২৫।	মায়বা	,,	,,	,,	,,
২৬।	মহারোল	মনিপুরি + ইংরেজী	চহি ১/১ গী	গৌহটি	(হিংলিবা
২৭।	দিব্য জ্যোতি	মনিপুরী	,,	ইম্ফাল	,,
২৮।	খোঞ্জেন	মনিপুরী + ইংরেজী	,,	কলিকত্তা	(লেপপ্লবা)
২৯।	দি মৈতৈ লৈরাং	ইংরেজী	থা ৩/৩	ইম্ফাল	,,
৩০।	কলচরেল ইন্টিগ্রেসন	মনিপুরী + ইংরেজী	থা ৬/৬ কী	,,	(হিংলিবা)
৩১।	আগষ্ট ২৭, হজর মারচ দে	,,	চহি ১গী	,,	,,
৩২।	বেকগ্রাউন্দর	ইংরেজী	থা ১/১ গী	,,	,,

চেকোওশিং অসি অমুক নম্বদা কপী ৫০০দগী ১০০০ ফাউবদা মসিং চৎপা ভাকনি। সাক্কুলেসন চৎপা অমসুং কনতেন্স অফবা য়াউবা কংই। মসি নত্তবা মতম থরা ফোংলম্লগা লেপখিবা মখিং লৈতবা নত্তে। চহি তরামুক অসিদা লৈঙাক্কী থৌদোক্কা মরি লৈনবা সোভিনির, কম্প্লাইলেসন ভলম, সেন্টিনরি ভলমনচিংবা ফোংহুনা মথল মথেম কয়াগী অর্টিকল অমসুং দুংই কয়া উহনলি। মনিপূরগী স্কুল, কলেজ অমসুং চীংমীশিংনা মথোয় মথোয়গী লোন্দা ফোংল্লিবা চেকোং কয়াদি মসিদা উংচল্লে।

মথক্তা পনল্লিবা থবর অমসুং মেগাজিনশিং অসিদা মনিপুর লৈঙাক্কা গেজেট, চয়োনগী চেকোং অমসুং পঞ্চায়ত রাজ্য ফোংদোকই। চেকোং অয়াম্বা মনিপুর লৈঙাক অমসুং ষ্টেট কালা একাদেমিদগী গ্রান্ট লৌহুনা মরুপ (সংস্থান) কয়ানা ফোংই। চহিদা ফোংবা মেগাজিন কয়ামুক লৈরি। মথোয়হ স্কুল অমসুং কলেজশিংনা ফোঙ্বনি। ভারতকী বিশ্ববিদ্যালয় কয়াদা লাইরিক তম্বা মৈতৈ মচাশিংনা চহিদা মেগাজিন কয়ামম্ব ফোংলি। পনবা য়াবা অমনা এম্বেসীনা ফোংবসি মৈতৈ লোনগীদ্রি ক্ব,দে।

চেকোংশিং অসিদা অথয়বা কাংলুপ অমসুং মরুপকী রাখলগা চান্না ফোংই। 'মচানৈমা' হায়বসি সুপাঙ্গীদা ওই। অঙাংগী পনব তারবদা ঈচেন খুৎপ্রবা চিঠি মরুপকী মেগাজিন পনব য়াই। সুংতিগী খবর অয়াম্ব (চয়োল অমসুং থার্থ'য় য়াউনা) লৈশেংবমরুপশিংন (রাজনিতি দলশিংনা), চৎথৈ। লৈঙাকী থাক অমসুং অরোনব বা পুথোক্না ফোংবা 'লময়ানবা' শিংথানবা য়াই। সাহিত্য অমসুং কলচরগী মরুপ (সংস্থান) লৈ। মথোয়না মরু ওইনা ইম্ফাল মফুংদগী চেকোং ময়াম অসি মৈতৈলোন অমসুং ইংরাজীদা ফোংই।

চেকোং অফবা থোকহনবগী অবেংবা অচু চহিগী ওইনা মনা পীবা মনিপুর স্টেট কলা একা-দেমীনা পায়থংনব থম্লে। রোল ওফ ওনরদা চেকোংগী থোদাং পন্দবা ঈয়া য়াদে। জেলদা তাবা, ফাইন তৌবা অমসুং কাজনবগী এক্ট লৈবা প্রেসকী মীওইশিংবু কোক্লবা ওমথৈ প্রেস এসোসিয়েশনা হোৎনফম থোকই। মরি লৈনবা কাংবুনা অফবা চেকোং অচু কম্পিটিশন তৌহনা চাংদমনহনবা অমসুং থুইদগী ফবদা মনা পীবা অসিসু তৌইনা তৌবদা লৈবাকী কায়ে। প্রেস লিংখৎখিব; খবর লিংখিবা সুমিৎ অমসুং মরি লৈনবা ফংশন চাউনা পালন তৌবা কৈ। চেকোঙ্লোনগী সেমিনার, কনফরেন্স অমসুং মরক্তি লৈনবা সভা প্রোগ্রেসিভ রাইতরস এসোসিয়েশনতনা 'মতম' চেকোং লিংখৎখিবা সুমিত্তা পাংথোকই। য়ুনিভর্সেল লিতঃররী এসোসিয়েশননা হৌজিক জর্ণেলিজমদা স্টেট লেবেল সেমিনার অমা পাংথোকলিব অসিমক থাগৎনিঙাই ওইবা অমসুং তৌদব রাদবা থৌশিন অমনি।

<u>চেকোঙ্লোনগী ওমথৈ অমসুং তুংগী ফাভম ঃ—</u>

হৌজিক ফাউবা ইংরেজী লোনগী চেকোং অমসুং মেগাজিন মশিং য়ামথৎলকলি। সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী শরুক হাপ্পদা ইংরেজীদা ফোংদোকপনা হেন্না খুদোং চাই। ইংরেজীগী কান্নবা অসি হিন্দিনা পাক শন্নাই। হিন্দিগী সেক্সন অমসুং লাইব্রিক ইবা মনিপুরদা থোক্লমবসু অহুক হাক্লা মরু ওইদে। মনিপুরগী কান্নবদি এমঃ এঃ ফাওবা মীতৈলোন্দ হিরম অমা ওইনা হাংখিবা অমসুং পাস তৌনবা থোকখিবা অসিনা চেকোংগী কান্নবা ওমথৈ হেনগৎলকই। মনিপুর লৈবাকী ইডুকে-সন পোলিসিগী ওইনা সেকন্দরীগী থাক ফাউবা মীতৈলোন্দা পরিক্ষা হৌদোকপা অমসুং হিরম কয়াগী লাইব্রিক মৈতৈলোনদা থোকহনবসি থোংথং অমনি।

মনিপুরদা রেল হাংদোক্লবা, চেগী মিল হাংদোক্লবা অমসুং প্রেস ইন্দস্ট্রি চাউথৎনবা পাথৈ কয়া তৌরক্লি। খবর নমবতা নত্তনা দিস্ট্রীক্ট, সব-দিবিজন অমসুং চীংসুংগী মফম কয়াদা পাউগী থমহনা লবাইগী অপাম্ব অমসুং ফীভম অচু ফোংদোকপদা লম অসিদা গনতন্ত্র মাইপাকনি। চথোক চংশিন করবা অমসুং ছাপা নম্বগী থুদোংচাবা ওন্নবদি অসুপ্পা তৌবা ওইরকনি।

চেকোঙ্লোনগী লমাইদা লৈশেমগী (রাজনিতি) ঈ-পাউ হেন্না কোংজনবা, অতৈবুবা থওইদবা চংনৈ। থোদোক অমদা এমঃ পিঃ নরেণা পুরেন (মন্ত্রি) অমনা অশোনবা অমসুং মরি

লৈনদবা খর। শোরর্কতুনা চাউনা হাল্লা কংই। অথং অদুগুম অমসুং মীচম মীয়াম্না করি খল্লি হায়বতুদি মখোয়গী খঙ্গিবগুমলে। প্রাকটীস তৌরিবা চেকোংলোয়শিংদ (জর্নেলিস্ট) অথুম্বা থিরম টেক্নিকেল অমসুং সাইন্সকী ট্রেন তৌবা য়াউদ্রি। থিরম অমগী প্রোফেসনেল ওইরবা মীওইবু ইহনবা অমসুং প্রাইওরিটি (কোংবদা হানবা) খর চুমই। মসি পাংথোক্লবদি মগুন হাংপা অমসুং নাকল পুম্বদা হুম্বা ওইরক। চেকোং থিংনবা লৈতাকী অমসুং লল্লাই কার্মদগী এদভর্টিজমেন্ট ফোংনবা অসি চথরি। মসি লাল্লি হায়বদি য়াদে। শেন্দোং অমসুং লল্লাই কাম্নগদবা য়েংহুনা থিরম অমগী জ্ঞান লৈরবা মীওইবু থওইদবদি চেকোংগী মশক থীংমবনি। তুংদা জ্ঞান তানরক্লুনা অচুম্বা তৌনরক্লবদি অফবা ওইগনি।

চেকোংলোন হায়বসি ছাপা তৌদুনা চেদা ফোংবদা লৌনরে। কম্যুনিকেশন (পাউ চংনবা) তৌনরিবা অতৈ ফিলম, টেলিভিজন অমসুং রেদিও অসি মরি লৈনবা ঈ-পাউ শন্দোরবা য়াম্না কাম্ল। অপিকপা অতাংশিংনা ফিলমগী ইথৈ অমসুং এক্তিং কয়ামুকী রাখল চেলহনবগে হায়বতু থ.সি।

মনিপুরদা প্রেস, ক্লবশিংবু, এ.সাসিয়েসন শেম্বা অমসুং লৈতাক্না চেকোংলোয়শিংনা খুদোংচাবা পীবা পাংথে কয়া কয়া পুথোকপসি তুংগী কীতম কহনবনি। মী পুম্বদা চেকোংলোনগী পরম পথাপ (নিতি) অমসুং লমচৎ শংহনবা তমগনি। চেকোংলোনগী পোটেনসিএল ইফেক্ত (মশাদা য়াওবা ফল) য়াম্না লৈরিবতু মনিপুরদা করিগুম্বা অমত্তা য়োহন্দহুনা করেম্বা অমসুং চৈনবদা চথরিবা মীওইশিং অসি তুংদা হেন্না করকদবা মওংদ ঐথোয়না হোৎনকম থোকই।

মৈতৈ ময়েক্কি প্রেস, ময়েক্কা ফোংবা চেকোংগী প্রোগ্রাম অমসুং সাইন্সকী চেকোংগী কায়বা অতু ওভরলিয়ু (হেন্না রংলিবা) ওইরি। মাইকৈ অশোমদা অখত অহৈ অমসুং লৈতাকী পুক্লিং খিংজন্দুনা থবক চথগনি খল্লি। মপুংফাবা স্টেট অমা ওইরকপা মতুংইন্না মীয়াম্না পাম্নবা থিবিক পাংথোক্লবা লম অসিগী মতিক মরাই হেনহনবা পামই।

(হিংলিবা চেকোং, হায়ল মথক্ত ইথিংবশিং অসি মার্চ ২৫, ১৯৭৫ কাওবগী ওইনা হায়বনি— অরেবে)

হাপচিল্লকপা শরুক :

সুংতিগী মৈতৈলোন

১। ভেকতা (নীংতম্বা) ২। মনিপুর নিউজ (নীংতম্বা) ৩। হুইরেন লাবপাউ (মীতৈ লাইনীংগী) ৪। চৌউতম (জনতা পার্টিগী) ৫। জনতা (জনতা পার্টিগী) ৬। অর্থউট্র (কংগ্রেস আইগী লেপ্পবা) ৭। পচ্ছুকেম (কংগ্রেস আইগী কৌওলিবা) ৮। লৈশেম্বা (মৈতৈ ঈনাৎ শোগৎপা) ৯। পাখৌ (মৈতৈ ঈনাৎ শোগৎপা) ১০। মীওইবা (নীংতম্বা)

চয়োল অমসুং সুংতিগী ইংরেজী ঃ

১। Eastern Standard (নীংতম্বা) ২। Resistance (পাম্ব মনিপুরনা চয়োলদা পুথোকপা) ৩। Frontier Chronicle (চয়োলগী নীংতম্বা)

চয়োল থাখাই অমসুং অতৈ কোঙবা চে-চেঙ্গ:—

১। ফিবাম (মৈতৈলোনগী থাখাই) ২। বারেন কাটি (এরংগিং শিন্না থাগী ওইবা মৈতৈলোন্দা কোঙবা) ৩। খোজেল (ত্রিপুরাদা থাখাইগী মমা মৈতৈদা কোঙলম্ব) ৪। কংলৈথোম্ব (মীতৈ লাইনিংগা মরি লৈনবা থাগী চেকোড়) ৫। কুমপ্রম (থা ৩/৩ গী মৈতৈলোন্দা মনিপুরী মুসলীমগা নকুবা) ৬। লোম্বাং (থা ৩/৩গী মৈতৈ লোন্দা মনিপুরী মুসলীম লিটচরগী ... সদী সরকলনা কোঙবা) ৭। মনিপুর অয়ুর্বেদ পত্রিকা (চহিগী ওইনা আয়ুর্বেদ সম্মেলন্না কোঙবা) ৮। আংশিন (থাখাইগী ওইনা মীতৈ অর্কপনা কোঙলম্ব) ৯। মনিপুর (থাগী ওইনা পাব্লিসিটিনা কোঙবা) ১০। ফ্রেন্ড কোকূসূক অমগা পাব্লিসিটিনা পুথোকপা) ১১। ঐখোয়গী লৈবাক (P.I.B. মনিপুর ব্রাঞ্চনা মরকরম্বা মৈতৈলোন্দা কোঙবা) ১২। মীয়াম (মৈতৈলোন্দা থাখাইগী ওইনা কম্যুনিষ্টনা কোঙবা) ১৩। Peoples' Democracy (C.P.I. Marxist না কোঙবা) ১৪। থাজ (মায়াংলোন বিগ্রন্ডা মনিপুরী সাহিত্যগী কোঙবা) ১৫। স ... তপোবন (বাংলাদেশকা মহাবোধিনিশন কোঙবা) ১৬। মুখিংলৈ থা ৩/৩গী ওইনা কাখাজাবাগী পাড়াগী কোঙবা) ১৭। কিশানিথ (বংলাদেশকা কোঙবা) ১৮। GAFDM Journal Dance Music (থা ৬/৩গী অর্গান) ১৯। সনাই তাবং (থাখাইগী মীতৈ শিনাংগী ওইনা কোঙবা চেপোক) ২০। নোংপোক ... (থাগী ওইনা মীতৈ ... কোঙবা) ২১। লোমাখনা — Dawn (M. L. A. থা ইংরেজী অমসুং মীতৈলোন্দা ... অমীনম কোঙবা) — মৈতৈলোনগী ... লোবা ২২। Manipur Co-operative News (থাখাইগী Co-operative ... কোঙবা) ২৩। ... (ইংলাশ ...) ২৪। ... Sports Movement ...) ২৫। Sports Revolution (থাগী চেকোড়) ২৬। বৈরিক (থা ২/২গী ওইনা থাগী ... চেকোড়) ২৭। Manipur Herald ... Tribal গী ওইনা কোঙবা) ২৮। ... মৈরা (থা ৩/৩ লিটরেসী কাউন্সিলগী চেকোড়) ২৯। ... শিন্না (এশা মনিপুর থাম্ব ... থা ৬/৬ দা কোঙবা) ৩০। ... থা ৩/৩ ... কলেজ ডিপার্টমেন্ট ... পুথোকপা) ৩১। ... (থাখাই কোঙবা নীংতম্বা চোকাড়) ৩২। ঐরেপাক — (প্রেমী ... ওইনা মীতৈ ... পুথোকপা) ৩৩। লীচিং (চয়োলগী সাহিত্য চেকোড়) ৩৪। হিংবা (কংলৈপাক যুথ ফ্রন্টকী থাগী চেকোড়) ৩৫। অনৌবা মনিপুর (অহানবদা থুংতিগী মথংদা চয়োলগী কোঙলম্ব) ৩৬। Young Soldiers (Guidance Bulletin থাগী) ৩৭। ... মিরয়টর সেন্তর (থা ৩/৩ গী আখাগী

মরমদা কোঙবা) ৩৯। বারেং— চয়োলগী ৪০। Sports Digest (থাগী) ৪১। The Profile (Annual) ৪২। মিজ্জ মগী বা (চহিদা ৪ বক কোঙবা বিজ্ঞানগী জর্নেল) ৪৩। পর্বতী বাগী (থাগী ওইনা হিন্দিদা চৎমীশিংগীদমক কোঙবা) ৪৪। Education To-day (SIE Annual) ৪৫। Your Guidance ইংরেজীদা SIE and Science না থাগী মতম থরা কোঙ লবা) ৪৬। নহারোলগী থবাক্লং (থা ৬/৬) ৪৭। Cyclone (English Forth nightly ঊচেক লেপ্তবা।) ৪৮। Manipur (চহিগী দিল্লিদা লৈবা মনিপুরী ছাত্রশিংনা কোঙবা) ৪৯। Journal of Lucknow Manipuri Students. ৫০। Quaterly Journal (English-Manipur Sate Kala Academy) ৫১। সমাচার গেজেট (হিন্দি-মনিপুরদা মতম থর হিংলবা)।সংস্থান করাগী মীংশিং চেকোঙ থোরকই। মৈতৈ থবরশিংগী special number করা, চহি ২৫ ফেরা লৈরকপগী সপ্লিমেন্ত পুথোকখিবা থোননি। মতম মতমগী ছাপা, মাইক্রোফাইলদা থম্লোকখিবা ঊ-পাউদি থাহনা লোইবা

ঙমদে।

ইন্দালদা লৈবা চৎনী মথল করাগী ইংরেজী মরেক্তা কোঙবা চেকোঙ মশিং থীঙমদনা লৈরি। ইংরেজী লোলগী ওইবদমক লোৎখলগা পক্লরে। মচু লোইনা পনবদা চাউমথল্লগনি। থঙ্দুনা অতোপ্প বারেং অমা ওইনা থমজরে।

মীংশিংগদবা অমনা মনিপুরদা লৈরিবা মরবাগী জৈনশিং শিথ পঞ্জাবীশিং অমসুং নেপালীশিংনসু মকপ (সংস্থান) করা লাইনিংগী, কাঙলুপকী অমসুং লৈশেম্বগী হীরমদা শেংই। মথোইনসু মীংশিং চেকোঙ কয়া পুথোকখিবা মতমগী মতমগী ওইনা লেংলৈ। চাং নাইনা চেকোঙ অমসুং শাউজেলচে পুথোকপমক্ত থেংনাপ্র বারোই —

মথক্তা লৈনখিবা চে অমসু হাপচিনলিবা অসিনা উৎপদি মনিপুরী চেকোংলোন হায়রসিনা মৈতৈলোন লোনলিবা মীশিংগী (মনিপুরগী মংলানা লৈবসু য়াউনা), মনিপুরদা হায়া লৈরবা চৎমী কাঙলুপশিংগী লোন্দা ফে ঙবশিং, মনিপুরদা থবক তৌবা অমসুং লোলোন্নুনা লৈবা মীওইশিংগী চেকোঙ অসুম্না থঙহননি। □

ইউ: এন: এ: না থোঙথবা লাইরিকশিং :

১। সুমিং কাম্বা— ও: তোগেশ্বর
(মীতৈ পুয়া)

২। মসিনা ইন্দালগী য়ায়ীমি— শ্রী বীরেন
(লৈলেং লাইরিক)

৩। থুরম লৈয়োল— (লেমা ঊলৈ)

৪। মনিপুরদা থুমাঙ চাউশিথ চেকোঙলোন
(সেমিনারগী, বায়েংশিং— প্রেমতা লৈরিবা)

তোঙান তোঙানবা খুন্নাই অমদি লৈঙাক্কী*
থৌসিল্লসিংদ প্রেসকী (চেক্লোংগী) নিংতম্ব

এন. কে. সনাজাওবা

'প্রেস' হায়রগা থবা মক্না লম্বা য়াহন্দোক্লোবা তাববদি—চে অমত্তুং মুক লোয়ববা নম্বনবা থুগু থুংলায়গী মতেং লৌহনা মীওইবগী বাখলবু পাক চাওনা শন্দোকখিনবগী থবক অমত্তুং পাম্মেশিংবু থংনরি। ইংলাণ্ডা য়াহৈনি 'প্রেস'।

মী হায়বসিদি বাখলনা লমজিংবা শা মখল অমনি। মীওইবা অমত্তুং মীওইবগী খুন্নাই হায়বসিদি বাখলনা লম য়াম্না য়াম্লুগ। লমজিংহনা পুবনিনা অহুম্বা মীওইবগী বাখল হায়বসিবু মশক নাইনা লোংদোক্লুবা পাম্মে হায়বসি মীওইবগী খুন্নাইলোন অমদি লৈশেম লৈঙাক্লোনগী তঙাইফদ্রবা য়াওনি। বাখলনা মাঙ থাহনা লৌরম শেমদ্রবদা মীওইবগী খুন্নাইদা য়াওস নত্রগা ইহৌ অমত্তা থোরকপা য়াদে। অহুনা বিভুল্যাসম অমগী তঙাইফদ্রবা মচাক্কি মহুবু লমজিংগদৌরিবা বাখলবু শন্দোকহনবা পাম্মেশিং অহুমনি। মীওইবা খুন্নাইদা 'ইহৌ' অমা থোকহনবদা প্রেস হায়বসিনা অচেৎপা য়াংলেন শক ওই। মালেমসিদা থোকখিবা ইহৌশিংগী ইরম হেক খীগৎলুবদা ইহৌ অহুমা লোয়ববা চৎমীন্নবা অকাওবা মশক লাইরবা চেক্লোংশিংগী লৌরম ঐথোঙ্ খুদিংনা হেক্লা থেংনগনি। কনিঙবা খুন্নাই অমদা খুন্নাই অহুমগী লৈঙাক্লোন চৎনবা অমা শেমগৎ শাগৎকে নত্রগা থুগায়গে হায়বয়দি তশেংনা প্রেসকী মথেং চংতি। মীয়ামগী পুক্কিং, মীয়ামগা লৈঙাকপগী খুদি পারবশিংগা বাখল হোংদোক্লুবা, তোয়বা উনবা হায়বসি চাওখৎলবা লৈবাক খুন্নাই খুদিংমক্কী তৎন থানবা য়াত্রবা ওইরমা মীয়ামগী পুক্কিং শাগৎনবা 'প্রেস' হায়বসিদি থানবা য়াত্রবনি।

ঐখোয়গী মসিদা "লৈবাক খুন্নাই য়াম্বগী মতিক লৈঙাক্লোনগী চৎনবীগী মখল য়াম্না লৈরে। লম লমচৎ চৎনবী থেম্নবস্ত্র প্রেস হায়বসিগী তঙাইফদ্রবা মক ওইবা অহুমদি, থেরবা লৈতে। লৈবাক্কী খুদি পারবিবা লৈবাক মপুশিংনা কনাইকাওবা প্রেসপু মনিং তম্বা পীবা নত্রগা প্রেসপু য়াম্নেং হংলগা খুদি লৈবক্না শিজিন্নবগে হায়বগুদি তোঙানবা বাকনি।

---

* 'লমতানবা' চেক্লোংগী অয়েক্পা

ভোঙান ভোঙানবা, খেন্নবা থুগ্রাইবী অমদি লৈশেম-লৈঙাকী চৎনবী থৌশিলশিং খজিক্কং নৈনবা মতাং চারে। খোইদোক্না অহে অশিং শাজকবগী বা নত্তবদা ইচম চম্না ফোংদোকচবা তারবদি লৈবাক অমা শেম্নবগী পোরম অমত্তুং মহৌ ভাক্নবগী থুজি অহুম কংনবা হোৎনবা, কংলবা মতুংদা খুর্জ্জ অহুম লৈঙাক মপু অহুগী মথুক্তগী নাম্বোকখিদনবা হোৎনবগী আর্ট অহুবু ঐখোয়না লৈশেম লৈঙাক্লোন (পোলি-টিক্স) হায়না কৌবা য়াই। মীওইবগী " খু ভাইনবগীদবক অহুম থুজ্জ অহুম কনব হায়না শিজিন্নগ-দগে হু য়ুরোসিগী মরমদা মপুং থীংনা নৈনবা য়াংভুরোল কয়া লৈরে। ঐখোয়না হাকথেংনবা মীৎয়েং-দগী মালেমসিদা লৈরিবা লৈশেম লৈঙাক্লোনগী চৎনবী অসি মথল অহুম খোক্ক থাইদোকপা য়াই। অহুম অসিগ্না নত্তবা অতোপ্পা মখল অম ওইনা; 'ডেমোক্রেটিক সোসিয়েলিজম' মপুং ফাবা আর্টি-কুলেট ওইবা মওদা লাকপত্তু থারি। ঐখায়না মক ওইনা খেংনরিবা মথল অহুমদ — (১) ফেসি-জম, (২) কম্যুনিজম; অমত্তুং (৩) ডেমোক্রেসি অসিনি। অসিগুম্বা লৈশেম লৈঙাক্লোন (পোলি-টিকেল সিষ্টেমশিং) অসিদা মতৌ করম্না প্রেসশিংনা হিংনবগে হায়বসি নৈনবা তাই; অহুগা প্রেস হায়বগা মথক্কা শনখিবা পাক চাওবা অর্থদ (১) পাওজেল চেশিং, (২) মতমগী চেকশিং; (৩) লাইব্রিক লাইভশিং অমদি (৪) লিফলেটনচিংবা পুম্নমক ইয়াও য়াওরে।

ফেসিজম অমত্তুং কম্যুনিজম: লৈঙাক থৌশিল অসি অসি চায়া নৈনবা পুংভাইগনি। অসি অসিগী মরক্তা তিন্নবা য়াম্রগা খেন্নবা লৈবা অমদা থাইদোক্নবা শুকখায়না যাম্রবা থাম্নত্তু লৈ। হৌজিক মক মালেমসিবা লৈবাক কয়া কম্যুনিজম চংলি। অহুগা ফেসিজম হায়বসিনা অনিশুবা লড়াওনা মাহু শৎন্নবা পোলিটিকেল সিষ্টেম ওইরবত্তু পুমশি শিথিবদি নত্তি। মাহু চেম্নকপা য়ারি। লৈঙাকী থুজ্জী পায়নবা পাম্বে অমা ওইনা ফেসিষ্টশিংনা ডেমোক্রেসিবু করিমক্ত থাজদে। থুজ্জী পায়রবা মতুং-দগী থুর্জ্জি অহুম শিজিন্নবদা ডেমোক্রেসিগী চৎনবী ইন্দে। ফেসিষ্ট পার্টিগী মপুংদত্তু মীয়ামগী অপাম্বনা পুন্দে হায়বদি দেমোক্রেসিগী চৎনবীনা পুন্দে। মথক মথা পুম্নমকৌ কোক্লেন অমত্তুম সুপ্রিম হেদ অমুদা পুম্নমক রিস্পোন্সিবল ওইগনি। অহুগা পুম্নমকৌ অমত্তুম্বা অহুদি কনাদত্তু রিস্পোন্সিবল ওইদে। পার্লিয়ামেন্ট নত্রগা মীয়ামগী খাবেপনচিংবনি কান্নদবদি হায়না মথোয়না লৌই। মম্না লৌদে। ফেসি-জমদদি কোক্লেন অমত্তুম্না অহুনা ফরে হায়না থনবা থাখলহু মীয়ামগী খাখল ওইগদবনি। ফেসিষ্টকী মেজোরিটি মপুংদা মকোক্না খাবেপ লৌরগা মখাবোম্বদা থাদরকই। ফেসিষ্টকী লৈবাক পুম্নাই মত্তুংদা লুচিংবনা অম্ত্তম্বনি। লৈবাক মীয়ামগী মহৎ শিন্দুবা মহাক্না খাখল থমবীবা, খাবেপ তাবা অসিমচিংবা পাংথোকনি। মতোম্বা য়েংলুবা য়াদে। অপোজিসন লৈবা য়াদে। ফেসিজমগী পন্থুংদি মপাকঅম কনবা লৈবাক অমা শেমগৎপা অমত্তুং মহুগী মুমফম্না ই মাম্রবা মীওইশিংতনা পুমশিনবা হায়বশিনি।

ষ্টেট হায়বসি চুমলী পাথৈ অমা ওইনা লৌদে। মীপুম খুদিংমক্তা ষ্টেট অহুদা পুংলুপ লুপশিনগদবা "স্পিরিচুয়েল এন্টিটি" অমনি। হেগেলগী বাহৈদা "ষ্টেট ডিভাইন" হায়বহুনি।

ফেসিজমগী মখুংদা মীওইবগী নিংতম্বা লৈতে। নিংতম্ব হাথল থনবা অমদি নিংতম্বা থাথল অহু নিংতম্বা কোংদোকপদি য়াদে। প্রেস হায়বদি পাওজেল চে, চেকোং, লাইরিক্তচিংথা মনিং তম্বা কোংদোকপ হায়বসি কেসিষ্টকী মকমদদি নামুংনবা থাকমনি। হায়জিনবা অমদি মীনম্বা পরেংনা য়ুম্ফম—খোল্লগা শাগৎলকপা পোলিটিকেল শিষ্টেমনিন প্রেসনা মনিং তৌনা অচুম-অয়ান কোংদোকপা হায়বসি মখোয়দদি নামুংনৈ হায়রিবসিনি। প্রেসকী মনিংতম্বহু সোইদৎলি অমম্বং নারেং হুৎলগা প্রেসপু ওয় হৈক্তনবা মওংদা মখোয়গী য়াকা য়েংহুনা প্রেস হিংহল্লি। প্রেসপু নারেং থাংহুনা থম্বা, লাইরিক নত্নগা চেকোংনচিংবা নম্বা কোংদোকপা পুম্নমক লৈঙাক্তা মোনোপোলি লৌবা অসি কেসিজমগী চৎনবীনি। ফেসিজমগী লৈবাক কয়াদা মওং মওং কোংদোক্লরক্লবস্থ প্রেসপু নারেং হুৎলগা থম্বা হায়-বসবদি চপ মান্নি। কেসিষ্ট লৈবাক মখুংদা করি কৌরিবগে হায়বসি হায়দে ক কোংদোক্তনবা প্রেসপু কীবুল নম্বত্তা নত্তনা, তেম্বা তমথীরিবদি প্রেসপু চেকশিন্না শেমগৎলবা প্রোপেগন্দাগী খুৎলাই ওইনা শিজিন্নবা অসিনি। ওইদ্রবা. নত্ত্রবা—ওইদ' পরেং কযাবু প্রেসকীথোংদা মমহুনা কোংদোকহল্লগা মীয়ামদা অচুম্বা হায়বহু মশক অমত্তা থংহন্দে। মীনম্বগী হকাপশিন্দুনা মীওইবগী অশেংবা পুক্নিং মাংহল্লি। মহাক্তা মাগী লৈবাক্তী লৈঙাক থুর্জী পায়রবা মতমদা লৈপাক্তী প্রেসশিংবু করম হায়না শিজিন্নগদগে অমদি মাগী প্রোপেগন্দাগী খুৎলায় ওইহনগদগে হায়বসি হিটলার মশামক্তা ইবা 'মেন কেম্প'তা অস্থম্না ফোংদোক্লি।

'লৈবাক মীয়ামগী' থংজিন উশিনবগী মরেপ অসি অকক্লে, মখোয়গী লৌশিংগী মরেপ থেল্লি, অহুবু কাওথোক্লগী মপাঙ্গলদি কল্লি। ময়মশিং অসি লৈবনিনা, অকনবা ইকেষ্টিং প্রেপেগন্দা পুম্নমক অকক্লবা থাকম থরদ' লৌথৎলগা মহুবু হজিন হজিন লাওবা খোন্নাও ওইহল্লগা নহাক্তা থংহন্নিংবা থাকম অহু মীয়াম পল্লিকী লাষ্ট মেম্বর কাওবনা থংশিনবা হোৎনগদবনি।' নাজিশিংনা জর্মনগী লৈঙাক চুপ্লি পায়রবদা হিটলরগী প্রোপেগন্দগী থবক পূবা মিনিষ্টর ডাঃ গোবেলসনা মরীক চুম্বা হিটরগী মেন কেম্পকী পাওতাকসি ইনখি। শুক্লৎ নত্তবা, ওইদবা থাকম অমবু অওইবা শাহুনা হজিন হজিন চামরক হায়জিল্লক্লবদি ওইদবহু অওইবা অচুম্বা ওম্বোরকই হায়বসি ডাঃ গোবেলসকী ফোরমুলা ওইখি। নাজি কেসিষ্টশিংগী মথাদা প্রেসশিংবু শিজিন্নরম্বা মওং অহু বিলিয়ম শিররনা মহাক্তী 'দি রাইজ এন্দ ফোল দি থার্ড রিটচ' হায়বা লাইরিকদা অসুম্বা থাদি :—

"'বার্লিন পাওজেল চেশিংগী ইডিটর অমম্বং রিটচকী অতৈ অতৈদা কোংবা চেকোংশিংগী পাওমীশিংনা অয়ুক খুদিংগী প্রোপেগন্দা মিনিষ্ট্রীগী ওফিসতা পুল্লে। ওফিসতুদা ডাঃ গোবেলস মশা-মক্তা নত্তগা মাগী মক্তেং পাংবা ওফিসকী মীওইশিংগা উনহুনা খোংমহুগী করম্বা পাও কোংদোকদগে,

করম্বা পাওবু মীরাবদা করম্বা মওংদা ইরগা থংহনখিগদগে অমসুং পাওগী ছেক লাইন করম্বা ইগাদগে লোয়নবা নোংমচুগী ইদিটোরিয়েল কয়না ওইহন্নগে অসিনচিংবগী মতমদা লৈতাকী য়াকা য়েংনা তাথোক তাশিন্ন তৌই। কয়িঙম্বদা হোদোক্লবা রাংহৌহনবা লৈতাকী য়াকাগী রাংমদা ফোংদোয়ক্লবনি মোংমৈনা কাপথায়ক্লন হাংতোকনি হায়বসি অওইবা ওইনা য়াথং তাওথে। বর্লিনগী রাংমদা ফোংবা পাওজেল চে, চেকোং মচাশিংগী মকমদা পীবা পাওমেলদি টেলিগ্রাফ নম্বরগা মেলদা থাই।

জর্মনদা ইদিটর ওইবা তাববদি ঈগী অমসুং ফেসিজমগী মরীদ 'মত্তুবা' হবচ্চ্মব মীশক অমা ওইগদৌবনি। ইং শেক ১৯৩৩ গী অক্টোবর তাং ৪ দগী চংনহনখিবা রিটচকী প্রেস লো হায়বত্তুগী মতুং ইন্না চেকোংশিংগী ইডিটর থুদিংমক জর্মননসিটিজন অমসুং আর্যগী মচা মত্তু ওইগদবদনি। মতাক অত্তু জিনুগা লহোংবা যাবোই

প্রেস লো অত্তুগী চৈথল ১৪ শুবদা ইডিটরশিংনা ইনগদবা পাওতাকশিং পীরিবত্তুদি .—চেকোংশিংদা মীয়মনু লায়া লমজিংগদবা, ওইজবা খীবগা লৈবাকী পন্তুংগা য়েংশিন্নহনখিদনবা, জর্মন মীয়ামগী ওইনা শণ্ডহনগদবা, লৈবাকী তাক শেনবদা শোম্ভহনগদবা, জর্মনিগী ইকাই থুমবা শোকহনগদবন চিংবু অমত্তা চেকোংশিংদা ফোংবা য়'রোই' হায়বসিনি। অসিগুম্বা প্রেস লো অসি চংনরকপদগীদি হায়না নাজি ওইজদবা, ওইসু ওইজনিংদব জর্মনগী চেকোংশিং অমদি চেকোংহুদা য়াওরম্বা মীওই কয়া কয়া তাম্থাকথরে লোয়নবা চেকোং কয়া মুথংরে। অসুমনা ইতান হম জর্মনদা মুথংখিবা পাওজেল 'চকোংদি 'বোশিসচ ৎজটুং' হায়বত্তুনি। জর্মনা ফেসিজম লাক্লিৈগী চহী কয়াগী মমাং ইং ১৭০৪ দগী ফোংলক্লিবা পাওজেল চে অসিদি নিংথৌরেল ফ্রেদরিক, ফাওবা য়াওনা অকাওবা তৌবা জম মীওই কয়ান ফাওবা সবসক্রাইবর ওইরবনি। 'বোশিসচে ৎজটুর' হায়বসি লন্দন টাইমস' অমদি নিউয়োর্ক টাইমস কুম্না জর্মনগী অণীবা অমসুং মক ওইবা পাওজেল চে ওইরিবনি। অত্তুবু পাওজেল চে অসিগী অসিগী মনিং তম্মিংবগী ইহুল অমদি ইডিটর অত্তুন জর্মনগী ঈ নত্তনা জীয়ু মচা অমা ওইরুবদগী চহী ২০০ য়োম লেপ্তনা ফোংলক্লবা পাওজেল চে অসি ইং কুমজা ১৯৩৪ গী এপ্রিল তারিক অমদা মতম পুম্নমক্কী ওইনা থুপচিনখি। মহুগী মথং তাবদা 'ডি বার্লিনর টেজেব্লেথ' হায়বা চেকোংহুত্ত ইং ১৯৩৭ তা লেপহনখি।

অসুম্না জর্মনিদা ফোংবা পাও চে পুম্নমক নাজি লৈতাকী য়াথং অমগী মথাদা ফোংহল্লবনিমা পাওচেল চেশিংগী মহাও চপমান্নরে। অহুনা পাওজেল চে পুম্নমক চপমান্ননা শিথমিন্নরকখি। মীয়ামনা পাওজেলচে পানিংবগী রাথলসু মাংখরকখি। নাজ অমমনা পুমেথকী তাইজেলদা অসুম্না ফোংদোরকখি :—

'নাজি প্রেস প্রোগ্রামগী মরুওইবা' লমতুংদি শিক্তিদা থুরৌ চেমবা চেকোং পুন্দিংমক মুথংলনি। ইং ১৯৩৪ গী অাংকক অকলা নার্জ 'অনম অমদি ডাঃ গোবেলসনা নাজিগী প্রেস ইডিটরশিংদা পাওজেল

চেপিংগী মহাক অমত্তা যাওন্রে তাংহনা মরাল শীকপদা গ বেন পোষ্টকী ইভিতত্র বাকনা অওইবা ওই-ববোই নিংগুত্রবা নাগী পাওজেল চেহ্ মণাক মাওনবা মনিংতম্না ইথোকখি। অচুম্বাদি যাগী চেকোংচু মুখংখি, অহুপা ৫ চটর মণবুবা [illegible] টুমন কেম্পুত্তা থাখি

কম্যুনিষ্টকী লৈবাক্তা — [illegible] লৈবাক্তা তৌবগুম্ব প্রেস পুম্বমক লৈওাক্ নাকেং হৎলগা পম্মী। [illegible] তিম্বা [illegible] নবগী পৌখিলসিদি কেপিজম অমসুং কম্যুনিজম অনিমক্তা চপ থাদ্রে। কম্যুনিষ্ট খুদাই অমসুং [illegible] কম্যুনিজমগী লৈওাক্লোন অমসুং থাংওবোন্দা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী [illegible] পার্টি লৈ। [illegible] মখোয়গী থাখল মায়দবা মখেবু রিয়েক্সনরি হায়না মখোয়না [illegible] চাওখৎপা খুদিংমক কীথুপ হায়গদ্র নাইসেন্সন অমগী [illegible] প্রোপেগেন্দাগী লামদৈ খুদিংমক লৈবাক্তা নাকেং থাদি। [illegible] কম্যুনিষ্টশিংনা ডেমোক্রেসিবু কাও [illegible] মালেমদা [illegible]। লৈবাক থাবেন চুপ্পী পায়রিবা পার্টিগী মপুংদা 'ডেমোক্রেটিক সেন্ট্রেলিজম' হৈরি [illegible] 'ডেমোক্রেটিক সেন্ট্রেলিজম' সিগী মপুদগী রাজমেন্টেসনগী লম্বী পাক চাওনা লৈ। কম্যুনিষ্টকী [illegible] প্রেসপু [illegible] লৈবাক্কী মরমদা লৈনবা পনবৈ অম কাব্রদি থাংগোকই। অদুবু পনবা অদুদগী [illegible] অদু পাওতুনা লাকপীদ্রি চেকোস্লোভাকিয়াদা প্রেসপু চাল্পা লাক্না প্রেসকী [illegible] লিবরেলাইজেসন তৌরবদগী অলেকজেন্দর দুবচেকনা [illegible], [illegible] (The new class) হায়বা লাইরিক অচুম্বাদমক যুগো-শ্লাভিয়াদা [illegible] তেক [illegible] মিলোভানবু [illegible] থমখিবা, কম্যুনিষ্ট রাশিয়াদগী কোংলকপা [illegible] কম্যুনিষ্ট পাওজেল চেশিংদা অনৌবা মতাও য়াওদ্রবা হন্না হন্না [illegible] পাওগং [illegible] পসকী মনিংতম্বু কে ইনত্তুন থম্মী হায়বসি অদুম থংনরে। কম্যুনিজমগী [illegible] থনবা রিয়েক্সনরীশিংবু থাখল-ফোংদোকহন্নবগী থুদোংচাবা শীবগী মহুত্তা সাইবেরিয়াগী [illegible] আইজোলেসন কেম্পত্তা থাজিনথিবহনা হন্না চুম্মী হায়না কম্যুনিষ্টশিংনা হায়রকনি। অদুবু রিয়েক্সনরীশিংবু মহা কিবুল নমনবা হোৎনবদা ক্রিয়েটিভ ওইবা মীওই লিশিং লিশিংগী চরম মেথৎপীথিবগীদমক মালেমসিগী মনিংতম্নবা মীওইশিংনা মুংনাংভি হায়বসি থংনা থংনা কম্যুনিষ্টশিংনা ইকাইবা পোক্কে। থাখল খেন্নবু থংবা ওমত্রবা কম্যুনিষ্ট খুদাই অমসুং লৈওাক্তা মনিংতম্বা চেকোং লৈবা হৌনজ্রে। বোরিশ পেষ্টরনাইক, আলেকজেন্দর শোল্জেংকি অমদি নিংতম্বা পাম্বা আর্টিস কয়ানা মমা পোক্লকপ লমদম কম্যুনিষ্ট রাসিয়া অমসুং মকুপকী পুম্নিবু তংতাইকদনা থাদোক্লগা। ডেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংদা পোথাকপ লৌরিবসিমকনা কম্যুনিষ্টশিংগী কুৎশিপ মথাদা প্রেসকী মনিংতম্বা লৈতে হায়ব মরেক শেংনা উৎলি।

ডেমোক্রেটিক খুন্নাই অমসুং লৈশেমলোন্দা প্রেস :

হৌজিক অহমশুবা থুন্নাই অমদি লৈবাক খাশিনদা মনবরকনবসিদা ডেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক-শিংগী মতাং লাক্লে। হামজরবদা মমী'ডা ওইরবসু ডেমোক্রেসি চৎপ লৈবাক কশিংদদি প্রেসকী মনিংতম্বা পী নম্রগ লৈ হায়না লৌনবে। মথক্ক লৈনখিবা কে মক্তা অমদি কম্যুনিষ্ট খুন্নাই অমসু লৈশেম লৈভাকলোন্দ. 'প্রেসপু শিন্জম্বনা লৈবাক মপুশিং [illegible] লৈবাক মীয়ামবু লোঙ্নব অসিগী [illegible] ডেমোক্রেসিগী [illegible] লৈবাক মপুশিংদা [illegible]—মীয়াম্না মনি [illegible] কম্যু [illegible] নিজমদনা প্রেস হায়বদি [illegible] অমুগা ডেমো ক্রেসিদনা প্রেস অসি মীয়ামগী [illegible] ওইবা[illegible]। [illegible] প্রেসকী মনিং [illegible] হনববু ডেমোক্রেসিবু [illegible] থাজবা [illegible]। ([illegible] অহুমশুদি [illegible]) মীওইবগী [illegible] তম্বা বাথল ফোংদোকপা [illegible] কম্যুনিষ্ট [illegible] নাপ্তে তনা কম্যুনিষ্ট [illegible] ডেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক [illegible] চংজকম লোনাবথাস কম্যুনিষ্ট [illegible] কাইদৎপীখিবতবু রাশিয়া [illegible]

[illegible] বাক্সো-দগী [illegible] সোভিয়েট [illegible] ১৯৬০ [illegible] আগষ্ট [illegible] খিদৎতা নত্তনা সোভিয়েট রাশিয়াদগীসু [illegible] নবেবাক রাশিয়াবু কাইনখিবদা সোভিয়েট রাশিয়াগী [illegible] ফোংদোকখিবা তম-খিদে। অমুগা কুজনেটসোভনা ইংলন্দ [illegible] ইংলন্দকুম্বদি মী ওই-বগী বাথল মনিংতম্বা ফোংদোকপা য়াবা প্রেসকী মনিংতম [illegible] থাজে। কম্যুনিষ্ট রাশিয়াগী অথাকপা লানমী ময়ামনা চেকোস্লোভাকিয়াগী লৈবাক [illegible] মনি তম্ববু তমখীবা লৌচংবা লোয়নমা কোইদৎপীবদা বাসয়াগী প্রেসনা [illegible] লৈখি। মাসগী [illegible] আমেরিকাগী লান-মীশিংনা ভিয়েৎনামগী [illegible] লৈখিবা মতাং অমা পৃথিবীগী কনাম্মনা [illegible] তবু আমেরিকাগী প্রেস রিপোর্টরশিংনা [illegible] অকুপ্পা অধুম্বা বাতি মখাম লোবগা আমেরিকা প্রেসনা আমেরিকাগী লানমীশিংগী লৌচৎ কচ্চবু ফোংদোকখি। লানমীশিংবু লৈবাক পীক্লবি। ইং কুম ১৯৬৮ গী জুলাই, তাং ১৮ গী অথেংবা অহিংদা থোকখিবা চপ্পাকুইটিক ইথংকী পুক্কিদা কাব থোদহৃনা ইরাক্কনা হাক্তা আমেরিকাগী প্রেস মরামনা তকলায়কনা আমেরিকাগী থাইবগী

পোপুলর ওইরব, অদুগা আমেরিকাগী থ্বাইদগী মপাঙ্গল কল্লবা ডেমোক্রেটিক পার্টিগী অমত্তা ওইরবা লুচাংবা অমা ওইনা আমেরিকা প্রেসিদেন্টকী মীহৈপ ওইনন্না খল্লবা এদবার্দ কেনেদি আমেরিকাগী প্রেসিদেন্ট ওইবদি লম ঊহনবা কুকাদ অহুম চঃহনখিবহু মনিংতম্ব আমেরিকান প্রেসশিংগী মপাঙ্গলননি। ফোংফোংশ রিবা ঝাখোক ওইনা পৃথিবীদা থ্বাইদগী মপাঙ্গল কল্লবা, আমেরিকাগী নম্বর বান সিতি-জন্নি হায়বিবা আমেরিকাগী প্রেসিদেন্ট বিচার্দ নিক্সনবু আমেরিকাগী প্রেসিদেন্টকী ফাংবলদগী চাংথু-হনা পাঙ্গায়নখিবসি মনিংতম্বা আমেরিকা প্রেসকী পাও খম্বা রিপোর্টর নিপা অনিখকনি। মসিনি ডেমোক্রেটিক থুম্লাই অমসু লৈশেম্লোনগী থুংশিল মথাদদি প্রেসকী মনিংতম্বা লৈ হায়রিবসি।

প্রেসকী মনিং তম্বা হায়র্বসবু লৈরা ?

মপল... অসিদি ঐখোয়না হৌজিক থংনা উবরিবা তোঙান তোঙানবা সোসিয়েল অপোলিটিকেল থুংশিলশিংগী মথাদা লৈবা প্রেসশিংগী চৎনবাগী অহুতগীনি। অহুগা য়াম্ন-মক মতুং ইন্দি, মী জন্নাবাদ চেফোংশিংগী হায়রবাদ প্রেসকা মনিংতম্বা হায়রবসি থুংশিল অমবু ওইরবনু। মদু ওইরবনু মাপেমাসদা লৈতে। ডেমোক্রেসি চৎপা থুম্লাই অমমতুং লৈশেম লৈফাকী মথাদা প্রেসকী মনিংতম্বা লৈ হায়রবসিসু অকক্লবা চৈথল অমদগী হেন্দোক্লা মনিংতম্বদি ওমদে নত্রগা য়াদে। ইংলেন্সু অদু মতাংদা আমেরিকাদসু অদু মতাই প্রেসকী মনিংতম্বা হায়রবসি লিমিট অমদগী হেন্দোরকপা য়াদে। করিগুম্বা মফমদসু প্রেস অমত্তনা মাগী মাগী মরৈবাক (Nation state) অদুগী ইন্টরেস্ট শোকপা অমদি ইন্টরেস্টকী থাংমদা মনিংতম্বা ফোংদোক্লবা ওমদে। 'আমেরিকা, হায়রব খোল্লাও 'চুমগে চুম্ব, লানগে লান্ন, ঐগী ইরৈপাক' (right or wrong my country.) হায়রবা ইংলিস ফুরুপকী অয়োকপা থাখলনচিংবা অসি লৈরিবনিনা ডেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংগী মনুংদসু প্রেসকী মনিংতম্বা হায়রবসি চাং (দিগ্রি) খবগী পাদমদা লৌবগী থানি। মাদেম, তাইবং পুম্ন-মকীদি য়াম্না কায়হৌরগদবা কনা লৈহুনসু কনাগুম্বা প্রেস অমত্তনা মরৈবাকী মহাম তাবা য়াবা মতাংদদি মটীম উমশিন্নবা ঙংকনি। ঐখোয়না নক্লা হেক্তা য়েংলগসু মরেক শেংনা উগনি। অদুনা লৈবাক থুম্লাইগী মনুংদা মীবু মীনা লৈহৎপগী চৎনবী লৈরিমথৈদি প্রেসশিংসু প্রেসতুবু থাক্লিবা অকনবা মশীং য়াম কাংবু অদুগী য়াকা মতুং ইন্না অতুম্মক চৎপনিনা প্রেসকী মনিংতম্বা হায়রবসি চুম্নগী চিলহাই ওইদুনা অহুম লৈগনি।

খোইদোক হেন্দোক্না ভারতকী চৎনবী অসিগী মনুংদা প্রেসকী য়াংলেন শরু ওইরিবা চে-ফোং-পাওফেল মম্নবা চে (news print) অসি ইমাকথুনবা মহাজন খরতনা পায়রিবনি। অদুনা চে (news print) কোটা ফংনবা, সরকারদগী এদভর্টাইজমেন্ট ফংনবা, নত্রগা মীশিং য়াম্বা মরুপ চেফোং য়াম্না লৈহনবা পোরম মরাম অসিদগী লৌথোকপা য়াদবনিনা ভারতদি প্রেসকী মনিংতম্বা হায়রবসি

ইকৈমক লৈজবনি। The Salimar হায়ব প্যাংফেল চেনী ইদিটর প্রা... চাওবাবু ইদিটর ওইবা তোকহনখিবা লোয়নদা অর্ক ভগীজবু হিন্দুস্থান টাইমসকী ইদিটরদগী লৌথোকপগী বাথোকনচিংবা পুম্নমকসি ময়াম্ন হেম্না থংনরমবনি। মসিনা ভারতকী ভাবত্তা প্রেসকী মমিংতম্ন লৈরতে। অমম্মা ইহি Illustrated Weekly দা "In fact, there is now hardly a single state in which Press is not under extreme pressure from Governments which either cannot or do not wish to tackle the basic problems of this people and are seeking to buy time for them selves by muzzling Press criticism of their inaction and criticism."

(বাবেং অসি ইউ:এন:এঃ না শিন্দুনা খৃষ্ট কুম ১৯৭৫ দা পাঙথোকখিবা "মনিপুরদা দুমাং চাওশিনবা তেংকাংলোন" হায়ব সেমিনার অতুদা পাথোকখিব—চে অমনি। অমেংব)

পাবিক্সু—

নুমিৎ কাপ্পা (পুয়া)

মসিনা ইম্ফালগী বারানি (শৈরেং)

খুমন শৈরোল—(শেনা অশৈবশিংদগী খোমজিনবা)

মীতৈ হয়াও-কুমৈগী সিমিনার পেপর

সেক্রেটারি
ইউ: এন: এঃ

ছপকম—ইম্ফাল লাইরিক য়োনবা মুকানশিং অমমুং ইউঃ এনঃ এঃ অফিস লঙ্গেন।

প্রেস অমদি লৈঙাক মায়োক্নবা

সনাজাওবা নাওরিয়া

লেপ্পা লৈতনা য়ুমফম হোংলক্কলিবা খুন্নায় অমদি লৈঙাক পথাপশিংদা, মীযামগী বাখলবু প্রেসনা মঙুৎ শিনবা ওমলিব্রা, শিনবা তারগদি লৈঙাকা প্রেসকা কদায়ফাওবা চৎমিন্নবা যাবগে মতমশিগী বাংশিংগী ময়ক্তা অখোয়বা বাহং অমা ওইরি। মায়োক্নবা ইপাম পামব্রবস্থ, তঙায়ফদনা মায়োংদবা যাব্রবা ফিভমদি লৈরকপা ওইথোকতব্রা ?

থোমাস জেফর্সনগী বাইদা, "চেফোঙ (নিউজপেপর) য়াওদ্রবা লৈঙাক (সরকার) অমা নত্রগা, সববাব য়াওদ্রবা চেফোঙ আনিগী মনক্তা, করম্বা লৈগদগে ঐবু থনজো থাদোকপীববদি, অকোনবগীসিবু খনবদা— এ বরিমতা নিংহন্নবোই।"

চেফোঙ নমলিবা প্রেসনা মীযামগী বাখল (পব্লিক ওপিনিয়ন) গী মহুৎ শিল্লিবনিনা, সরকারগী থৌশিংশিংদা, মীয়ামগী অপাম পামদা থোদোকবপা মংম া, লৈঙাক অমনা 'বাঙাংবগী নিংতম্বা' (ফ্রিদম অফ স্পিচ) মতাক্কী চাশিনদা পী বগে লেনবা মদম চাই। লৈঙাক্কী মখল মথেল কয়াগী মন্নংদা, পাকচাওনা য়াম্না তোয়না হায়নবা কাংলুপ অনিদমক খনগৎলবাদ, দিমোক্রেসি (মীয়াম লৈঙাক) অমসুং তোংলিতাবিধান দিক্তেতর্সিপ (শুপ্নম লৈঙাক) কী মমিং লৌখৎপা য়াই। নিংশিংবা য়াই সোসিয়েলিস্ত সিস্তিম (মান্নখুনায়-পথাপ) পু মতম মতমগী ওইনা কাংলুপ অনিগী মরকতা অমদা চলহনবগী বাফম লৈনৈ। অহানবা য়েংবামত্তদা, অহানবগী লৈঙাক মখলশিদদি 'বাঙাংবগী নিংতম্বা' লৈরে হায়না লৌনৈ, অদুবু কুপশন্না য়েংলুবগা প্রেসকী মতেংনা 'বাঙাংবগী নিংতম্বা' শিজন্নরকপা মতমদা, মীয়ামগী বাখলগী মহুত্তা প্রেসকী মপু শেনয়াম পায়বগী অপাম্বা বাখলহুদমক থোরকই হায়না চিংনৈ। মশি য়াম্না চাওবা মোনোপোলি প্রেস (শুপনম-য়েক্নম) দদমক লৈবগী খুদম বাত্তনা

---

* মতমগী থোঙথাংগী অরেংবা ওইরম্বা।

লৈরি। অদুবু, অনিশুবগী লৈঙাক মখলশিংদদি ঙাঙথোকপগী নিংতম্বা ইরৈ লৈতবদগীনা শুকলৈ লৈতবা অসি ওইনা য়ানৈ। শুপ্পম লৈঙাক্কী থোয়দোকপা মশুন্দি, পাকচাওরবা ইদিওলোজি (াাখলোল) অমা লৈনৈ, মী অমতনা লমজিংবা রাজনিতি দল অমা থমই, মীয়াম্বু কিহন্নবা থৌরাং থমই; প্রেস, রেদিও, সিনেমা নচিংবা মীয়ামগী মরকতা ঈপাও ফাওনবা (মাস কম্যুনিকেশন) গী থৌরাং পুম্বা দল নত্রগা লৈঙাক্কী খুত্তা পুম্না থমই, শেলথুম, লাম্মী পায়শল্লি। মীয়ামলৈঙাক অমদি শুপ্পমলৈঙাক অনি, মক্তা, অয়াম্বনা চাং খেন্নবগী রাদমক ওইনা প্রেসকা লৈঙাক্কা শয়েং পাম্বোম ঙাম্নবশি চথবগুম উই। মীয়ামলৈঙাকতদি প্রেসনা লুম্না লৈবা মতমদা, শুপ্পম লৈঙাক্তদি, লৈঙাক্কা য়াম্না নমহৎনা লৈ। দিমোক্রেসি মখল মথেলগী মন্নুংদা, লৈবাক অমনিগী পথাপ খনগৎলগা নৈনবস্থু যাই।

য়ুনাইতেদ স্তেতসদা সেপতেম্বর ২৫, ১৬৯০দা লৈবাকসিগী অহানবা চেফোঙ 'পব্লিক ওকরেন্সেজ বোথ ফোরিন এন্দ দোমিস্তিক' থোরকখিবা মতমদা, লৈঙাক্কা লালহৌবগী মচাক ওই হায়দুনা নমথ্রে। ১৮৩০ দা মতমসিগী জরনেলিজম (চেফোঙলোল) কৌবা য়ারবা 'পেম্নি প্রেস' থোরকখি। নৈবাক মন্নুংগী লালহৌবা মতমদা, মিলিতারীগী য়াথংনা অমসুং পোস্ত অফিস লোয়শঙনা, চেফোঙ কয়া নমবা য়াহনখীদে। অদুমকপু, ১৮৭০ দা রাজনিতি দলদগী প্রেসকী নিংতম্বা যাকায়বকখি। মতাং অসিদা মমিং লৈরবা বেশ অমা পলহৌবা যাই। মশিবু 'জেঙ্গরগী বিচার' হায়না খঙনৈ। ১৭৩৩ দা, জোহন পিতর জেঙ্গরনা নিংথৌকাবা মুমিৎ খুদিংগী 'ন্যু য়োর্ক রিকলা জর্নল' কৌবা মীয়ামগী রাখলগা চানবা চেফোঙ অমা ফোঙলুবদগী, গভর্ণর কোসবীনা মপুকচেল ফাওনবা ঙম্নকত্রদুনা, ১৭৩৪ গী নবেম্বরদা 'সেদিস্থস লাইবেল' গী মরাল শিদুনা, জেঙ্গরবু জেলদা ফাজনখী। কোসবীনা মাগী মরুপ জেমস দে লানসীবু চীফ জস্তিস হাপ্লম্মী, জ্যুরীফাওবা শিকচল্লম্মী। মহাক্কী রাখলদাদ, বনাগুম্বনা শেরান্নবা পাও ফোঙলবদি মরাললৈবা মীওই (ক্রিমিনেল) ওই; অদুম্বা ঈ-পাও ফোঙলুবগনা মী অদু য়াম্না হেন্না মরাল লৈরম্মী। উকিল হামিলতন্না লেপ্তুনা, জ্যুরিনা জেঙ্গরবু মরাল লৈতে হায়না থাদোকখি। থৌদোকশিংদগী, চেফোঙশিংনা নিংতম্নবগী অচৌবা খোঙকাপ অমা থাংবা হৌখি। বেনজামিন ফ্রেঙ্কলিন্না ইখী, "ছাপা নম্বা খুদিংনা, কনাগুম্বা মী অমত্তা শোকত্রে হেক খঙদ্রিবমখৈ, ছাপা নমলোয় রারেপ লৌরগদি, নমগদববু খজিক্তা মঙায়বনি।" খুন্নায়দা থোংমান্নবগী থৌদোক অমদি, ১৮২৭তা নিগ্রোগী অহানবা মুতিগী চেফোঙ 'ফ্রিদমস জর্নল' না, মীনায় পথাপকী মায়োক্কা ইবা হৌরকখী।

ব্রিতেন্দা ১৬৪১ দা 'স্তার চেম্বর' কৌবা য়াম্না শাথিবা রায়েল লোয়শঙ অদু মুথৎখীবদগী, প্রেসকী নিংতম্বা থোরকখি। ১৬৮৮ গী লৈবাক লালহৌদা 'প্রেস সেন্সরসিপ' কোমথোরকতুনা ১৬৯৩ দগী মমৈথংদা মপুংফানা থিংলম্বদু লৌথোকখী। চহি ১ গী মতুংদা, মিলতন্না হায়বা য়ারহুনা, পারালয়া-মেন্তনা 'লাইসেনশিং এক্ট' অদু খুয়াতুশিংনা শিজখিবা য়াখীখী। ঙসিগী 'পারলিয়ামেন্তনা লেল ওইবা' (সুপ্রিমেসি) অসি ফঙনবা লেপ্পা নায়দবা ঈহৌ কয়া, 'মেগনা করতা' গী মতমদগী হৌদুনা চথরকখী।

অমরোমদা। ফ্রান্সতদি রিচেলিয়ুগী মতমদগী হৌরদুনা লৈঙাক্না চেফোঙগী তঙায়ফদবশিং থম্বা হৌখিবদগী, অরোম্বা চেফোঙ কয়ামরুম মযোল চাঙবা হৌরকখী। ১৭৯৩ দা নেসনেল কনভেনসন্না নিংথৌ পানবা হুনজন্নবা তক্করুবা চেফোঙলোয (জর্ণেলিস্ত) কযাদু হাংনবা চৈরাক পীরমই। মতুঙ নেপোলিয়ন্না চৈবাক কন্না চংহনখী। মতমতা ১৮৮১ দদি নিংতম্বা অসি লিঙথংপা হৌখাদুনা, ইউরোপতা ঈপোমহু শন্দোবকখী। ফ্রান্সদা, ঈশিং মুংশিংকা ফিভম যাংবা, যেরুবা মীরৈবাকচানা মুংশিংকী মাযকৈ খণ্ড-খীগনি কিদুনা ফোঙহনখীদে। জাপান্দা ১৮৮৯ বোমদগী, লৈশেমলপকী (দলগী) ওইবম্বা তোক্নবক-তুনা নিংতম্বা চেফোঙ ওইরকখী।

মাযামলৈঙাকী মঙ্গুচন্না, ইন্দিযাদসু অহানবা মুতিগী চেফোঙ 'বেঙ্গল গেজেত' জানুযারী ২৯, ১৭৮০ দা থোরকখি। পুথোরকখীবা 'হিক্কী' না লেঙাকপু হুন্দুনা ইরুবগীদমক মশামক জেল চঙখী, চেফোঙতুসু মুনখি (মংখী)। বেঙ্গলদা থোঙবা চেফোঙ কযানা, লৈঙাক্না তাযোন্নবদা লৈকবদগী, মন্ত্রীশিংদা, লৈঙাক্কী শৈনবা কযা যংখি, নিংতম্নবা মতুংদনা, ইন্দিয়াগী মফম অযাম্বদা, লৈশেম-লপকী (দল) মপুন পেন্দবা ইকবদগী, চেফোঙ কযা অরাবা যংলকই। ইন্দিয়াগী অচৌবা চেফোঙ কযাদি, মীযামগী রাখলগী ময থুমদা ইনাকখুনবা হমুং থরগী ভুংকোযবা অপাম্বা ঙাক্নবা কল্লবা চুঙ্গোয ওইরি। ১৯৮০ দা 'স্তেতসমেন' চেফোঙগী চেফোঙলোলদা চহি ২৫ মপুন্সি কখোবক্লবা শ্রী নিহাল সিংহ, প্রেস মপুগী পেম্নবদমক তৌবা থামলগুবদগী, চেফোঙতু থাদোবকখী। 'তাইমস অফ ইন্দিয়া' নচিংবা মমিং লৈববা ইন্দিযাগী চেফোঙনা কাওবা অপিকপা মেন্ত অমদি অপিকপা মী কাংলুপকা মায়োকতা, মখোযগী চাওদবা থেঙ্গু অদুন হযিং হাংপদা মকল উংথোবকখি। ১৯৮০গী এপ্রিল থাদা, মনিপুরী মুপা থরবু সি, আর, পীনা যাগী ফরাং ওইনা হাংখিবগী মতুংদা থোবকপা ইহৌবু, 'তাইমস' না খুদোং-চাবা লৌদুনা বিহারগী ছাত্র ২০০ বু মানপুবীনা ওংনৈদুনা হাংখ্রে, নাগা লৈশাবী ১০বু নত্তবা লমচং চংখ্রে হাযদুনা দাযহ হংদনা ফোংদুনা মেত্ত মচাশিংগী মরকতা হু চাযবা হৌরকখি। তশেংবদি বিহারগী ছাত্র ১ ফাংবা তমলমদ্রে অহুগা নত্তবা লমচং অদুসু অমুম্বা ওইরমদ্রে। অসিগুম্বা অচৌবা চেফোঙসিংসু মীয়ামগী রাখলগীদমক লৈঙাক্না মায়োক্নদ্রবসু, শেনজাও পায়বগী অপাম্বা ঙাক্নবা লৈঙাক্না মায়োক্নদবা নত্তে। ২০ শুবা চহিচাদা চংলকপা অনৌবা চেফোঙলোলদা য়াওরবা মনিপুরদসু লৈঙাকপু শেংগত্তবা চেফোঙনা মখল খুদিংগী চৈরাক ফংবগী পুরারী থোকবকনি।

অঙম্ম লৈঙাক্না, চেফোঙনা থাঙবা তাবা খুদোংথীবা থিবিনসু য়েংশনবা যাই। মালেমগী খ্বাইদগী অহানবা চেফোঙ, চাইনাদা, খৃস্তকুম ৬১৮দগী ৯০৬ ফাওবদা টাং শাসনা পাল্লিরৈঙদা থোকখি। জাপানগী থক্তা মায়থীবা ফংখীবদগী, ১৮৯৫দগী 'লালহৌ চেফোঙ' কয়া থোবকখি। খৃস্তকুম ১৯১৮ দগী ২০ ফাওবদা, মহৈলোযগী (ছাত্রগী) ইবাং হৌরকতুনা চেফোঙ কয়া হেক্ষংলকখি। অদুমকপু, চহি থরসিদা ফক্লাং-পাউজেল (রাল পোস্তর) থোবকতুনা, লৈঙাক্কী অশোয়বা নৈনবা মযি অমা চাইনাদা থোরকলি। মতুগী মতেংনা লৈঙাক মনুং ওংশোক ওনশিনগী অকনবা খুদোংনাম ওইরাকখি

অনিশুবা লানজাওগী মমাংদা জরমনগী চোফোঙ, নাৎসিগী খুবাক্তা পুল্লপ তাথী, মতুদগী চেফোঙগী নিংতম্বসু মরাই চাইথখি। ১৯৩৩ দা নাৎসিগী পাউজেল পুবেন (প্রোপেগন্দা মন্ত্রি) গোয়বেলসনা চেফোঙ হায়বসি লৈঙাক্না শান্নবা ঙম্বা কিবোর্দনী ফাওবা হায়খী। মতুমক য়েংদগা থোঁদোক অমা ইন্দিয়াদা ১৯৭৫ দগী ১৯৭৭ ফাওবদা লৈখি। ১৭০৩দা রাসিয়াগী অহানবা চেফোং থোক্লবগু, লৈঙাক্না যাম্না তমথীনা ঈ-পাও কককথৎপদগী, চেফোং, মখোঙনা লেপচবা ঙমখীদে। মীওইবাক্কী পাউ অযাম্বা পাউদম (কমেন্তাবী) ওইনা পী। 'রেদিও দিফ্যুজন স্পীকব' শিজন্নহনা, সোভিয়েৎকী স্তেসন নত্তবদা তাহন্দনবা ফাওবা শিল্লি হায়না, নোংচুপ্না ইরি। ১৯৩০ দা চেম্বরলেম্না পনখী, "রসিয়াদা লম্নাই মীওইনা মপুওইবা চেফোঙ লৈতে।" সোসিয়েলিস্ত খুন্নাযগী মনুংদা, থরক্লে পুকচেল চাউথোকপা (লিবরেল) লুচিংবা থোরকতবা নত্তে। মখোয় অতুনা অকনবা লৈবক্তা লুচিংবা থরদগী হিরম অযাম্বদা, মযাইচম্বা সোসিয়েলিস্ত ওইখিদে। ১৯৬৮ দা জেকোস্লোভাকীযাগী প্রাইম মিনিস্তর ওইখিবা, 'ডুবজেক' কী রাইদা, "সোসিয়েলিজম হায়বগা, নৈহৎপা কাংবুনা নমথবদগী শিন্নী কাংলুপ্পু নিংতম-হনবদমক নত্তে, মশিনা বুর্জয়া দিমোক্রেসি (ময়াইথাক্তা মী কাংলুপকী লৈঙাক) দগীদি মীওইবশিংগী হেন্না মপুংফাবা পুন্সি পীনবা থোরাং হেন্না পায়খৎকদবনি।" মাগী রাথলদা, স্তেতকী লোয়শঙগী ওইবা ফিরেপ, লৈশেমলুপকী (দলগী) অমদি চেফোঙলোয় কাংবুগী মরক্তা, খেন্নবা থম্বা তানম। মানা পনখি, "ঐনা খল্লি— চেফোঙলোয় থবনা খুন্নাযদা, মখোযগা ঈথিলনা পীবা যাংবা পান্দম (ওবজেকতিব) ওইবা মহৈশিংতু উদে।" চেফোঙবু নিংতম্বা পিবসু যাওবা মে ২৯-জুন ১, ১৯৬৮ গী রিপোর্ততুনা 'ডুবজেক' পু মীরৈবাক্কী খুত্তা মরৈবাক্কীদমক্ত থরায় পোনথানখিবা মীশক (মারতাযাব) ওইহনখী।

(২)

আইনগী মীযেংদসু, চেফোঙগী নিংতম্বগা, ঙাবগী নিংতম্বগা শেল মযেক অমগী মমায় অনি লোংবতুনি হাযবা য়াই। চেফোঙগী নিংতম্বা হাযবসি, ঙাংবগী নিংতম্বা য়াওদ্রবদি য়াদে। জেকারিয়া চাকীনা হায়,— "ফ্রিদম অফ স্পিচ কী অশেংবা কান্নবদি, ঙংবা পামজরিবা মশিং য়ামদবা অতুদা নত্তে, অতুবু তাবা পামদ্রবা মশীং যাম্বা অতুদনি।" যুনাইতেদ স্তেতসকী কনস্তিত্যুসন অহানবা শেমদোকপনা পীরি,— "কঙ্গ্রেসনা— ফ্রিদম অফ স্পিচ নত্রগা, প্রেসপু শমদংপা য়াবা আইন অমত্তা শেমলোযদবনি।" ফ্রান্সতসু ১৭৮৯ দা "দিক্লারেসন অফ রাইতস অফ মেন" গী আরতিকল ১১ না ঙাংবগী, ইবগী, ফোংদোকপগী শরুক (হকতু) পী। য়ুনিভর্সেল দিক্লারেসন অফ হিউমেন রাইতসকী আরতিকল ১৯ শুবনা পীরি, "মী খুদিংমক্কী মরম্নায অপামরাখল (মোত) লৈবগী শকক (হক) লৈ অমদি শরুক (হক) অসিবু ফোংদোকপনা, অযেৎপা যাওদনা অপামরাখল (মত) লৈজবা অমদি ঙমথৈগী রা লৈতনা

অমসুং মেদিয়া অমদা পাও থিবা, ফংবা, চেকশনবসু য়াওই।" য়ুনিয়ন অফ দি সোভিয়ত সোসিয়েলিস্ত রিপব্লিককী লৈঙাক পথাপকী (কনস্তিত্যুসনগী) আরতিকল ১২৫ শুবনা লৈবাকমচাশিংদা (সিতিজনশিংদা) ব্রা ঙাংবগী অমদি চেফোঙগী নিংতম্বগী ইহুনা পীরি। অদুবু সোভিয়েতকী মমুংদা সোলজেনিসিননচিংবা য়ুগোস্লোভিয়াগী মিলোবান জিলাসকী থৌদোক থরনা অনৌবা রাহং কয়া লৈঙাকপসিংদগী পাওখুম ঙায়দবা নত্তে। সোসিয়েলিস্ত রিপব্লিক অফ ইন্দিয়াগী লৈঙাকপথাপকী (কনস্তিত্যুসনগী) আরতিকল ১৯ (১) (এ) না সিতিজন খুদিংমক্তা 'ফ্রিদম অফ এক্সপ্রেসন' পী। আঃ ১৯ (২) না ঙাংবগী নিংতম্বদা অথিংবা মরম থবসিদা পীরি— স্তেতকী সেক্যুরিতি, মপানগী লৈবাকশিংগা মরুপকী মরী থম্বা, পব্লিক ওর্দর, দিসেনসি, মোরেলিতি, ইন্দিয়াগী নিংতম্বা অমদি অমত্তা ওইবা, কনতেম্পত অফ কোর্ট, দিফেমেসন নত্রগা ওফেন্স অমা ইনশনবা অসিনি। 'ফ্রিদম অফ প্রেস' ইস্রবসু ঙাংবগী মনুং চনখ্রে। ৬' অমবেদকারনা, কনস্তিত্যুন্ত এসেম্বলীদা হায়খী, "সিতিজন অমনা মরম্মায় শক্তি (পাঙ্গল) দা শিজন্নখাযদবা থোযদোকপা হক প্রেসকী লৈতে।"

ইন্দিয়াগী সুপ্রীম কোর্টনা রাঙাংবগী নিংতম্বা অসিদা করম্বা ফিবেপ লৌখীবগে য়েংবীবা য়াই। মমলগী মতুংইন্না নামায লেপ্পা, এদভরতিজমেন্তকী অচৌবা, মফম লেপ্পহুনা চেফোঙ চৎহনবদা শোকহনবদগী, রাঙাংবগী নিংতম্ববু শোকহল্লি হায়না লৌহুনা, সুপ্রীম কোর্টনা মরীলৈনবা এক্ত ১দি ওর্দরদু কনস্তিত্যুসনগী বামান হায়খি। (সাকাল পেপবস ভরসস ইন্দিযা; এ, আই, আব ১৯৬২ সুঃ কোঃ ৩০৫)। স্তেৎ অমগী মনুংদা চেফোঙ চঙলকপা অমদি চৎপা থীংনবা শম্বা আইন্দু, আঃ ১৯ (২) গী অথিংবগী মনুংচন্দ্রবাদ আইন কায (রমেশ থাপার ভবসজ মাদ্রাজ, এ, আই, আর ১৯৫০ সুঃ কোঃ ১২৪)। চেফোঙগী মরনাই মীৎয়েং নত্রগা পাওমীগী মীৎয়েং, নত্রগা য়াম্না নৈনরিবা হীরম অসি নৈনবা থিংলিবা এক্ত অদু আইন কায় (বিরেন্দ্র ভরসজ পনজাব, এ, আই, আর, ১৯৫৭ সুঃ কো ৪৯৬)। অদুবু মথংগী রায় অমদদি, প্রেসবু শোকপা আইন খুদিংমক অঃ ১৯ (১) (এ) থুগায়বা নত্তে হায়খি। অমরোমদা, সি, আর, পিসি সে. ৯৫ (১), (২) গী মতুংইন্না লালহৌবগী নত্রগা, জাতি মশেল মুংশিনহন্দবা নত্রগা, কাংলুপ অমগী লাইনিংগী অপামরাখল অদু শাওহনবা য়াংবা চেফোঙ, লাইরিক স্তেত লৈঙাক্তা মৎপা ঙমই। রাফম অমনা, সিতিজনগী ব্রা ঙাংবগী নিংতম্বনা আঃ ১০৫ অমদি ১৯৪ গী মখাদা পারলিয়ামেন্তকী নত্রগা স্তেত লেজসলেচবগী মেম্বরদা পীবাবা খুদোংচাবা অদুগীদমক্তা লম্বী থাদোকই। য়াম্না ঙল্লিবা ইংলন্দদা, পারলিয়ামেন্তকা চথবকপশিংদু চেফোঙদা হাপ্পবগী মরীদা কেশ কয়া থোকপ্রবগু, ইন্দিয়ান পারলিয়ামেন্তনা 'পারলিয়ামেন্তারী প্রোসিদিংস (প্রোতেক্সন অফ পব্লিকেশন) এক্ত, ১৯৫৬ পাস তৌহুনা হাউসতগী চথরকপশিংদু 'মেলিস (মলোম)' য়াওদনা, অচুম্বা পাও চেফোঙদা হাপহনবা য়াহল্লে। হাউসকী ঙাঙথিবশিং লাম্না শেমদোক্তুনা, চেফোঙদা হাপ্লবদি, 'ব্রিচ অফ প্রিভিলেজ' গী থবক পায়থৎপা য়াই। স্পিকরনা লৌখোকপ্রবা, মেম্বরনা ঙাংবা রাদু চেফোঙদা হাপ্লবদি হাউসনা

থবক লৌখৎপা য়াই (এম, এস, এম, শর্ম্মা ভরসজ সিস; এ, আই, আর ১৯৫৯ সুঃ কোঃ ৩৯৫) পুৱারীদা অহানবা ওইনা "ব্লিতজ্‌" চেক্‌চোঙনা হাউসতা রা ভাংখীবা মেম্বর অমবু করেম-কথায়নরুবদগী, লরায় হাউসকী স্পিকরনা, ইদিতরবু কৌহনা চৈখী। হাউসকী খুদোংচাবগা, ও ংব-ইবগী নিংতম্বগা লৈমিন্নবদা হাউসকী খুদোংচাবমা অহানবদা লৈরি। অসুম্না প্রেসকী নিংতম্বা হায়বসিগীসু লৈঙাক্না নত্তনা সিতিজনবু শোকতনবা ওমখৈ কয়া লৈ।

চেক্‌চোঙগী নিংতম্ববু নিংথিনা শিজিন্নবগীদমক, জুলায় ৪, ১৯৬৬ তা "প্রেস কাউন্সিল অফ ইন্দিয়া" লিংখত্তুনা, সরকারগী মায়োক্তা লাকপা রাকৎতাবা ওমলে। ১৯৭১ দা রাকৎ ২২ গী মনুংদা ১০ থক লৈঙাক্না প্রেসকী নিংতম্বদা খুংথিংজিনবগী মরিদা রায়েনখী. হৌখীবা চহি ১০ গী মনুংদা প্রেস অমদি লৈঙাক্কী মরীদা অওনবা কয়া লাকখী। লৈঙাক্না প্রেসপু হায়বা ইনবা লুপামচা অমা ওইনা লৌনিংথিবগী থৌদোক লৈখি। মসিনা ইন্দিয়াগী মীয়ামলৈঙাকতা হৈরায় লাইনা থোক্লবসু; নোং-চুপকী মীয়ামলৈঙাক থরদদি প্রেসনা লৈঙাকপু চুমথোক্লবগী থবক তৌবদগী হেন্দোকতুনা, লমচং চুমদবা লৈঙাকপু ফাওবা লৈখা তানা চিংথবা য়াওখী। য়ুনাইতেদ স্তেতসকী চেক্‌চোঙ, 'ৱাংশিংতোন পোস্ত' না প্রেসিদেন্ত নিক্সনবু মপাঙ্গল কল্লবা প্রেসিদেন্সিদগী চাংথখীবা ১৯৭০ গী রানি।

(৩)

লৈঙাক পথাপ থেন্নবগী মতুংইন্না প্রেস অমদি লৈঙাক্কী মরী মথল অমত্তা ওইনা লৌরুবা য়াদে। অমরোমদা হোংবা নাযদ্রবা লৈঙাক পথাপ নত্রগা, ওনবা ওমদ্রবা চেক্‌চোঙগী থৌদাং হায়বসু লৈতে। য়াম্না কুপথনা য়েংশনবা চুম্বদি প্রেসকী হক অমদি প্রেসকী থৌদাংগা লৈঙাক্না কয়া য়াম্না মরী লৈনবগে অসিনি। মহাক্না ফংফম থোকপা নিংতম্বা অদু ফংলিবমখৈ, মদুবু মরমচাবা চাদবা য়েংদনা ককথদ্রিবৈ, লৈঙাক্তগী প্রেসনা য়াম্না তাংলুবগী মবম উদে। অদুমকপু; লৈঙাক্না পেন্দবা চেক্‌চোঙবু আইনগী থোংদদা নত্তনা, আইনগী ৱাংমদসু অতোপ্পা উপায় কয়া শিজন্নদুনা চেক্‌চোঙ অদুদা খুদোং-চাদবা কয়া থোকহনবা ওমই। অমরোমদা, অপিকপা চেক্‌চোঙ কযানা লৈঙাক্কী শেলগী অমদি হিরম কয়াদা থৌগৎপা ফংদনদি য়াম্না কুয়না হিংবা ওমদবনা, লৈঙাক্না মতেং লৌবকপা তারবদা চেক্‌চোঙদুগী নিংতম্বা অদু লৈঙাক্কী পেন্নবগীদমক কথোক্কদ্রা হায়বা ৱাহংশি লাকপা য়াই। মীয়ামগী ৱাখলবু নামুং-জবা নত্রগা, অনিশুবা থাক্তগী হেনগৎনা ৱাংনা থম্বা পামদবা লৈঙাকপা কাংবুনা চেক্‌চোঙগী মনিংতম্ববু থঙবা ওমদবা য়াই; অদুবু মীয়ামগী ৱাখলগা অদুকী মতিক লাপ্পা, কুয়না লাপ্পরিবগী মাতক লৈঙাকইবা কাংবুনা ফংলিবা মীয়ামগী থাজবা অদু হন্থদবা নত্তে; য়াম্না অহেনবা থাদতা খায়দোক্লবা অসিনা চংলকপা তারগদি, অদুগুম্বা লৈঙাক অদুনা মীয়ামদগী মপুংফানা খায়দোকখিরোয়দৌবদগী অফবা মরম উবা ফংদে।

লৈঙাক্কী মফমদা থমইবা থাদোকফম্রবা চেফোঙগী থৌদাং অসি খুন্নায়গী মফমদদি য়ায়া মরিকচুন্না লৈফম থোকই। অপিকপা ঈ-পাও শন্দোকপগী থবককী মথকতা; মীয়ামগী অপাম-পামদ ফোংদোক্লবা ইনস্তিত্যুসনশিংগী মরকতা অকনবা অমা ওইবনা, থৌদাং অসি মশা মতোমতা পাংথোকচত্রবদি রারক্লবা নত্রগা চৈরাক পীনবা মীযামগী মফমদগী অরায়বা পান্মৈ লৈতে হায়না লৌবা য়াই। মীয়ামগী রাখলগী মহুৎশিনবা মতমপুস্বদা ঙমলকত্রবদি, চেফোঙ অতুনা মশানা চৎফম থোকপা লম্বীদা চংথীরোয়দৌবগী মরম অমা লৈতে। শুঙম লৈঙাক্কনা, লৈঙাক্কী পোবম থৌরম (পোলিশি প্রোগ্রাম) শন্দোকপনা মরুওইবা থবক পইবনা, মীয়ামগী রাখল লৌবীদবা লৈঙাক লাকপা থোক্লবা নত্রগা লৈরমলবদি, চেফোঙনা মাপী অহানবা খ্বায় গী মকওইবা মথৌ অতু তৌনবগী খুদোং লৈত্রে; মতমশিদা চেফোঙ-লোলগী অহানবা নিয়ম খরদা চফোঙলোল লৈক্লবগী কান্নরিত্রা হায়বগী রাহংসু লাকপা য়াই। অম-রোমদা মীযাম লৈঙাক খুদিংদা, চেফোঙলোলনা শিজন্নবা ঙম্বা মথৌদাং অতু মখল মখা যামদবা, চাং খেন্নদবা নত্তে। চাওখৎত্রিবা, শোখহৌরবা লৈবাকশিংনা মীয়াম লৈঙাক্কী মমিংদা, লৈঙাক লৈজরবসু অমদি মতুগী মথকতা চেফোঙগী নিংতম্বা পীবীরে হায়তুনসু, মপুংফানা, মীয়ামগী রাখল ফোংদোক্লবা চেফোঙ থোবকপা ঙমদে; মতুগী অকনবা মরমদি লন্নায় শেনয়াম পায়বশিংগী ওইজ-ওইথক ঙাক্লবা থবক্ল হেন্না মকওইবনা, মীয়ামগী থৌদাং অমা চেফোঙ অমনা তৌদবা য়াদে হায়বগী তক্লনবা মীয়ামগী মকল লৈজদে। মশিগুম্বা ফিভমদা, চেফোঙতুনা লৈঙাক্কীদা অরানবা কুপশন্নবা খুংলায় ওইবদি লায়-বতুনা, মীয়ামগী মাংনবা তৌরকপা ওইথোকই; অমবোমদা লৈঙাক্কা মায়োকনবা তারবসু, শেনয়াম পায়বা মতুদগী অপাম্বা লৈঙাক্কী অপাম্বগা তাইশিন্নবা য়াদ্রবা মতমতু তোয়না লাকপা য়াই।

ফিদম্নঙাই ওইববা চেফোঙ অমদি লৈঙাক্কী মরী অমা রাখলনা শাবা, পীবা লুনা থোকই; অতুবু মীয়ামগী অপাম্ববু পেলহনবা অমদি থবকতা ওম্লোকপদা চেফোঙ অমদি লৈঙাক অনিমকনা পুন্না লেপমিন্নববদি, করম্বা মফমদা, করম্বা মতমদা মখোয় অনিনা মায়োকনবা মরী লৈগদগে খল্লুবদা অচুম্বা ওইরোয়। মতমপুস্বদা অহোংবা, অওনবগী শাফুদা পোৎ, থৌদোক পুন্নমক চৎপা মবন্না, মায়োকবগী মরী অমা মতমপুস্বদা লৈগনি হায়না লৌফম থোক্কে। মতুগী মমাংদা চংত্রবা য়াদ্রবা অহানবা তাঙ্কক অমদি, খুন্নায় অমদি লৈঙাক্কা পুরারীতুদা চাওখৎপগী মচাক পুন্নমক হান্ননা লৈফম থোকই।

নৈনবদা য়াওখীবা লাইরিকশিং ঃ

হর্বট বরক্কর— 'জর্ণেলিস্ত'। ক্রুস রেসলী— 'নিউজ ইডিটিং'। এডরিন ইমেবী— 'ডি প্রেস এণ্ড আমেরিকা'। ই, ফ্রাঙ্ক কান্দলিন— 'জর্ণেলিজম'। এনসাইক্লোপেডিয়া ওফ সোসিয়েল সাইন্সেস— ভোল ১১-১২— ইডিটর ইন চিফ— আর, এ, সেলিজমেন। 'এনসাইক্লোপেডিয়া অফ সোসিয়েল সাইন্সেস'— মেকমিল্লান। 'এনসাইক্লোপেডিযা ব্রিটান্নিকা'—ভোল ১৬। 'এনসাইক্লোপেডিয়া আমে-রিকান্না'— ভোল, ২২। হ্যু লংমী—'ডুবসেক'স ব্লুপ্রিন্ট ফোর ফ্রিদম'। সি জে, ফ্রেড্রিক এণ্ড জেদ, কে বরজেন্সকী— 'টোটেলিটারিয়ান ডিক্টেটরসিপ এণ্ড অটোক্রেসি'। নিকোলাস হৈন্স—'ফ্রিদম এণ্ড কম্যু-নিতী'। পব্লিকেসনস ডিভিজন— 'ইন্দিয়া, এ রিফরেন্স এন্নুয়েল, ১৯৭৮'। এ, এস—চৌধুরী— লো অফ রিটস এণ্ড ফণ্ডামেন্টেল রাইটস'। এম, সি, জৈন — 'ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসনেল লো'। □